জ্যোতির্বিজ্ঞান রহস্যম্।

দশা ভাগং।

প্রণম্য রাধিকানাথং শ্রীকৃষ্ণং জগদীশ্বরং।
কলিতেষু দশাং বক্ষ্যে শ্রীআম্ববাপু শর্ম্মকঃ॥

ভূমিকা।

ঐখোইগী মণিপুরী ইচিন ইনাওসিংনা দশাএংবা কৌবা থবক অসিবু তাইবং-পানদা চাবা, তুম্বাওম্না মীওইবনা খাদোকপা য়াদবা অমা ওইনা চৎনরে। তাইবংপানদা লৈপাকমচা তাবা যুমনাক শাগৈ পানবা পুম্নমক দশা এংবা ঙাকনি। অতমক্কী আমেরিকা মহাদেশদনা অমোক হেন্না চৎলৈ। ঐখোইগী মৈরৈপাক মচা পুমনমকপু আমেরিকা মকুম হুরিং চুম্না দশা এংবা হাঙবা অসি চৎনরে। মোইওবসু, ঐখোইগী লাইপক থিবদি জ্যোতিষবিভাগী মরমদদি ঐখোইগী লৈপাকনা ইহন হন্দৈব। গণিত জ্যোতিষ অমসু ফলিত জ্যোতিষ অনিমক্তা ঐখোইনা মতম অসিগী চাওখৎলবা খাজিং-সিংদগী এবেদা উপরবা লম্বেনদা লোৎহৌরে। দশা এংবা হাঙবাসি ফলিত জ্যোতিষগী মচেং অমনি। ফলিত জ্যোতিষ হাঙবা অসিদি বিজ্ঞান অমনি। অহুনা অতোপ্পা বিজ্ঞানসিংগা মাগা থানবা য়াদবা মরি লৈ। জ্যোতিষগী তত্ত্ববু নিংথনা থংগে তারবদি অতৈ অতোপ্পা বিজ্ঞানসিংসু জ্যোতিষগী মতেং পাংলবা লৌদবা য়াদে। করাই ঐখোইদি যৌক্তিক কাউবা বিজ্ঞানগী মনম কাউবা চংদরি।

দশা এংবা পণ্ডিতনা শরীরতত্ত্ব অমসু মনোবিজ্ঞান অনিমক হৈতবা য়াদবগী য়াদবনি, অহুগা গণিত বিজ্ঞান, গোল বিজ্ঞান অমসু খগোল বিজ্ঞান মরমদা থং-জিনগদবনি। অহুগা কুঠা এংবদা দশাগী বিচার তৌবা ঙমই। অসিওবা জ্ঞান. বিজ্ঞান অসিগী অধিকার ওইদরিবা ঐখোইনা পূর্ণজ্ঞানী ঋষি অ মহ নব্যপণ্ডিতশিংগী মখৎতাগা শিন্দরকপা অহ লৌরগা ঐখোইনা ইচিন ইনাওশিংগীদমক লাইরিক অসি ইথোকচবনি। ঐখোইগী ইচিন ইনাওসিংনা মশা মশাগী দশাগী মরমদা বিচার তৌহনা কাপকা ওইরবসু থংনবা ঐখোইনা জ্যোতির্বিজ্ঞান রহস্যগী মতেক ২ কোংলকই। হন্দকী দশা এংবা কৌবা মতাং অসিমাসু কোংদোকচরি। মাসিনা ইচিন ইনাওসিংগী কয়ামুক কাময়দগে হাঙবদি ঐনা থংজবা ঙমদে। লাইরিক অসি পারিবাসিংনা লেপ্পীগদবনি। জ্যোতিষদি তমদবা অমসু হাইকুন কাউবদি তম্বা অমগা লাইরিক পাবা অমসু থনবা ঙম্নবা মী পুম্নমকী পাবা য়ামবা অমসু য়াম্না তৌবা য়ামবা ওইনা ইথোকনি। অদু অতওবা পাঠকনা পাবদা থজিকতাংতবু ভক্তি-মসু লাইরিক অসি পাহুনা মশা ২গী থনথবা য়ারবদি ঐখোইনা হোৎনজবগী মহৈ [illegible] নিংজগনি।

জ্যোতির্বিজ্ঞান রহস্য।

মশা এংবা মভাং

——[::]——

অহানবদা চহি কয়াগুম্বগে এংবা।

মশা এংবদা মতম মথল অহম পিজিরে, মাগুদি :—

১। সৌরমান সূর্যাগী খোংচৎকী মতু ইয়া শেখা মাহুদি :- সূর্যানা রাশিচক্র অবোক কৌজবা খুৎবনা চহি অমা ওই। মহাক্কি ছুমিং ৩৬৫১ না চাহ অমা ওই। সূর্য্যনা রাশি অমদা লৈবা মতম সৌরমাস অমা ওই। সৌরমানদা উড়িয়া, বাঙলা আসাম্মাচিংবনা চৎলে। মশক—তারিখতা চৎপা অসি সৌরমাননি।

২। চন্দ্রমান :— মাসিদি চন্দ্রগা সূর্য্যগা অনি তিন্নবা সেখা মতমু হিন্দু শাস্ত্রনা চন্দ্রমান হায়না চৎলে। মাহুদি—সৌরমাণগী চহি অমাদা চন্দ্রমানগী থা ১২ ওই, চহি ৩৬৫ সুবদা থা অনিমা হেনপংকনি, অতুনা অহমসুবা চহিদা থা ১৩ না চহি অমা ওই। মান অসিদা ভারতকী মক্ষ পুম্নমক্কা ধর্ম্ম কর্ম্মদাসু মাসি চৎলে। মণি-পুরসু মাসিদা চৎলি। মশক— ১ মা পানবা, ২ নি প'নবা অসিনাচৌ.বনি।

৩। সাবন মান— ছুমিৎনা থোকপদগীনা অবোক থোকপা ফাউবা মতমু সাবনগী নোংমা কৌই। ছুমিং (নোংমা) অতু ৩০ না সাবন (মাস) থা অমা, থা ১২না সাবন চহি অমা কৌই। গ্রহসিংগী মশা এংবা, যুম্মাংবা যুমশেংবা অসিনাচিংবদা হিন্দুনা সাবন মান চৎলি।

ঐ চহি কয়া-সুববগে হায়না এংবদা সৌরমান নত চন্দ্রমানদা কয়াসুববগে হায়গুনা লম অতুগী চৎনবি এৎতুনা মাগী চহি অত থংগনি। মাহুদা ঘবা চহি মতুং ইয়া কৃতুগী মাইকৈ, কম এরুবা. যুগ, অসিনাচিংবা এংগনি অমসু বর্ষ প্রবেশদগী অহোমি সুপনগী সৌরমাণগী চহিতদা এংগনি। মাহু এ'বদি— বর্ত্তমান (মামা মশা অতুগে সিংবা মতম অতুগী) শক, মণংদা বৈশাখ মাসদগীনা মতম অতু কাউবদা হৌশ্রবা থা মলিং (খুদমগীদমক মশা এ.গদবা থা অতুনা ৯ শ্রাবণ ওইরবদি হৌরবা থালিং ৩ নি, মাসুমা থা অতৈদাসু থংনগনি) মথংদা ছুমিং অতুগী তারিখ ইতু, (মাহুদি শক ১৮৭০ | ৩ | ৯)। অতুগা মাহুগী মথাদা বী অতুগী অমতুমা ইহিরা

শক, মাসগী মসিং অমসু দিন হাইথিবা মসিং মথোই অসিবু পরেং মথং২ ইবু। অদুগা থাইদোকই, অমসুং হুমিং অং:না মাগী হৌখ্ রবা চহি. থা, হুমিং ওই।

খুদম — ১৮৭০।৩।৯ — ১৮১০।৯।২০ — ৫৯।৫।৯ নি, চহি ৫৯ থা ৫ হুমিং ৯ নি গুরে।

খংজিনগদবা— নিপা অসি চাহ কয়াদুরে হাইরবদি চহি ৫৯ সুরে হাইগনি। অদুগা মথ অদুনা পৃথিবীগী লোংপোকথংবা ওইরবদি ব্রহ্ম, শ্যাম, চীন, জাপান, ওইরবদি চহি ৬০ সুরে হাইগনি। মণিপুরদু চহি ৯ সুরগনা ৬০ গী মহুৎনা লৈরি হাইগনি; অদুগা কম, বৃত্ত, একরা ত্রিপাপ মথানাচিংবাদাদু চহি ৬০গী ওইনা লৌগনি।

অষ্টোত্তরীমাচিংবা দশা এংনবা।

সৌরমানবু সাবন মানদা হোংদোকপা।

মথক্তাদু হাইথে, অষ্টোত্তরীদশানাচিংবা দশা এংবদা রবিগী চহি ৬ অসিন্মচিংবা মাইথিরিবা অদুদি হুমিং ৩০ লিনা থা ১, থা ১২ না চহি অমা শাবনি। অদুনা চহি অমদা হুমিং ৩৬০ নি, অদুগা শকতগী থোকপা চহিদি সৌরমান ওইবনা চহি অমদা হুমিং ৩৬৫ঃনা শাবনি। অদুনা চহি অদু দশা এংনবগীদমক সাবন মানগী চহি অর্থাৎ হুমিং ৩৬০ না শাবা চহি ওইহনগদবনি।

সৌরমানবু সাবন মান সাদোকপা-চহিবু ৫না পুরিউ হুমিং মসিং ওই। চহিদু ৫ না হরিউ অকংবা মসিংনা হুমিং মথেন্দা তিনু. অদুগা ৩০না হরিদুনা অংবনা থাদা তিনু, অরেবনা হুমিদা তিনু. সাবন মানগী চহি. থা হুমিং ওই।

শেংদোকপা : — মথক্তা হাইথিবা নিয়ম অসিগী মতুং ইরা চহি থাদোকপাদি মী অদুগী সৌরজন্মগী জন্মতারিখতদা চুমই. মরকীদি হুমিং ৬ নিয়োম কাউবা থানবা যাই। অদুনা মরক্তী এংবদি সংস্কার অমা চংই।

সংস্কার অদুদি মী অদুগী জন্মমাসদগীনা দশা এ'বা হুমিং অদু কাউবদা হৌথরবা (হৌখরবা) থাসিং অদুগী সংস্কার দিনসিং অদু লৌতুনা শেংদোকউ অদুগা অশেংবা সাবন মানগী চহি. থা, হুমিং ওই।

হৌথবা থাসিংগী সংস্কার দিন।

থা মসিং		সংস্কারদিন		
বৈশাখ	গী	দিন	১	তিনু।
জ্যৈষ্ঠ	গী	দিন	১	তিনু।

দশা এরোবা।

আষাঢ়	গী	দিন	২	তিন্নু।
শ্রাবণ	গী	দিন	২	তিন্নু।
ভাদ্র	গী	দিন	১	তিন্নু।
আশ্বিন	গী	দিন	০	তিন্নু।
কার্ত্তিক	গী	দিন	০	তিন্নু।
অগ্রহায়ণ	গী	দিন	০	তিন্নু।
পৌষ	গী	দিন	১	লোৎথোকউ।
মাঘ	গী	দিন	১	লোৎথোকউ।
ফাল্গুন	গী	দিন	০	তিন্নু।
চৈত্র	গী	দিন	০	তিন্নু।

খুদম— উৎথরবা অহু চহি ৫১ থা ৫ হুমিৎ ৯ নি। চহিবু ৫ না পুন্নিরগা দিন ২৯৫ ওই, চহি ৫১ বু ৪না হন্নিরগা ১৪ দিন ফংই। দিন মথেন তিন্নরগা ৩০৯নি, ৩০ না হন্নিরগা থা ১০ ফংই, অরেম্বনা হুমিৎ ৯ নি। মাহুনা তিন্নগা ৫১।৫।৯+০।১০।৯ =চহি ৬০ থা ৩ হুমিৎ ১৮ সুরে। মাসিদা সংস্কার তোন্নবদি কুঠী এংলিবা নিপা অসিগী মপোক থা লোন্ন মাথনি. কুঠী এ বথা থা ৬ হৌথরে, থাসিং অহুগী সংস্কার দিন অহু লোন্নবদি মাঘগী দিন ১ লোৎথোকপা, ফাল্গুনগী দিন ০ তিনবা চৈত্রগীসু দিন ০ তিনবা বৈশাখগী দিন ১ তিনবা. জ্যৈষ্ঠগী দিন ১ তিনবা, আষাঢ়গী দিন ২ তিনবা অহুনা পন্থং শানা থাবগা —১+০+০+১+১+২=৩ ওই মাসিনা তিন্নগা চহি ৬০ থা ৩ দিন ২১ সুরে। মাসিন্না চান্নবনি।

চহি এম্বা চুম্নবমা এংবা— সাবন মান চহিবু ১২ না পুন্নিউ থা তিন্নু. অহুগা ৩০না পুন্নিউ দিন তিন্নু, মাহুদা জন্মবার তিন্নু ৭না হন্নিউ অরেম্বনা দশা এংবা হুমিৎকী বার ওইরবদি চুমলে, অমা বাংপা নত্রগা হেন্নবদি হুমিৎতা অমা হপাপা নত্রগা অমা লোৎথোকনি।

খুদম চহি ৬০বু ১২না পুন্নিরগা ৭২০ ওই মাহুদা থা অহুম তিন্নগা ৩০না পুন্নিরগা ২১৬০০ দিন ওই মাহুদা দিন ২১ তিন্নগা ২১৬২১ ওই। মাহুদা জন্মবার বার ২ তিন্নগা ২১৬২৩ ওইরে মহুবু ৭ না হন্নিরগা ০ লেমই, ০ দি হায়রক ৭ নি শনিবারনি, দশা এংবা হুমিৎতি নেহমাইজিনি চানবরে চদমরে, অহুনা দিন ২১ দা ২২ ওইহনে।

অথ মৃত্যুদিশাদিজ্ঞানং।

গজো মার্জ্জারকশ্চৈব গিরিশ্চ মেষো মৃগেন্দ্রকঃ।
মূষিক উরগো বৃষঃ দক্ষার্গৈব্যবহিতাঃ॥

পুংস্ত্রিয়ো বাম দক্ষেণ ধ্যাত্রয়ুক্ততঃ ক্রমাৎ।
যাবৎসংখ্যং বয়স্তাবদেকশো গণয়েৎ সুধীঃ॥
তস্মিন্ স্থানে স্থিতোযত্তু বাহনং তৎপ্রচাক্ষতে।
বাহনস্থানতস্তং পুরোহ যথার্গতঃ ক্রমাৎ।
মৃত্যুদিশ, দিশুদিশ, জ্ঞেয়া যত্র শিবাজ্ঞয়া বুধৈঃ।

নোংপোক্কীনা এৎলোমদা হথং ২ শামু, তোকপা হৌদোং, কাঃএন, কৈ, নোংশা, উচি, পিন হমস্থ অত্না থম্ম, নিপাগীনা কৈদগী হৌহ্না ওইয়োবদা সুপীগীনা যণবগী হৌহ্না এৎলোমদা মাগী ২ চহি মসিং অস্থবা কাউবা থিগনি, চহি অহুনা তাবা মকম অহুব। লৈবা জীবনা কথকম, (বাহন)) কৌই। কমদগী মমাংদা সগোল খেংচৎতা তাবা মাইকৈনা মৃত্যু মাইকৈ, মাহুগী মমাংনা একবা মাকৈ কৌই। মাসুমা মণিপুরীশিংগী চৎনরকপা শিবাজ্ঞানি।

মৃত্যুদিশাদি কোষকচক্রং।

যণ	শামু	হৌদোং
পিন		কাঃ এন
উচি	নোংশা	কৈ

খুদম উৎপা — চাওবগী চহি ২৪ নি, কম নোংশা, দৈমম, মৃত্যু, নোংপোক একবা অর্থাৎ নো শাদা কবাগীদি নোংপোক্তা শামু লৈবনা শামুনা নোংশাগদি একবনি।

চাওবীগী চহি ১৭ নি, কম যণ, মথা মৃত্যু, একবনা সংহাংনি, অর্থাৎ যণনা কমনা সহোং কৈদা একবা ওঈ।

অথ বাহন ফলং।

গজঃ সর্ব্বত্র সৌখ্যদো মাঙ্গল্যকর্ম্ম সাধকঃ।
পাপবর্ষে চিরে যোগী দশাচ্ছিদ্রে সুখৈর্জয়েৎ।

শামুদা কথদি — চহি অদু মুত্তাই, অকবা থনক য়াম্না তৌই। ত্রিপাপতা পাপ বর্ষ ওইরবাদি য়াম্না কুইনা নাপননি। অষ্টোত্তরী দশা দা দশা ছিদ্রস্থ খোক্রবদি সুখ অদুনা সি।

মার্জ্জারস্তু গৃহকর্ম্ম সাধকোহ পাপবাদিত।
মার্জ্জারবাহনে বর্ষে লুব্ধ গৃহ ভবেন্নরঃ।

তোকপা হৌদোং দা কথা কুংদি মী অদুনা মযুমগী কাম্নবা য়াম্ন হোংবৈ ইকাইবা নংই। অচা অথক পেংৎকৈ য়াম্না পামই, মীবু নাকথুবা থৎনচনবা পামই।

কর্ণাদি পাপযোগেচ মধ্যচ্ছিদ্রংভবেৎ তদা।
সন্দেহনিশ্চিতং পাপ লৌকিক কর্ণযুগং ভবেৎ॥
ছত্রেচ দুঃখপীড়াসাৎ পাপযোগো ভবেৎ তদা
রিপো রিপুভয়ংজায়া স্ত্রিয়াঃ লাভং জয়ং জয়ে॥
দুঃখে দুঃখমবাপ্নোতিমনস্থে যথাক্রমং॥

মাতৃযুগতা নায়েকপনা শাপৈ ওাইনা-চিংবমা ইকাই থুমনবা সেবা তৌই। ধনযুগতা শেন কংই। শীলা যুগতা নাহনা হিনই। কর্ণযুগ তাবা চহিদা ত্রিপাপ পাপ বর্ষ ওইব। অদুগা অষ্টোত্তরী দশাদা দশা ছিদ্র থোকলবদি সিত্রুনা মচামন্থনা তৌরকপা মথৌ মতম চাই। ছত্র যুগতা পাপ বর্ষ ওইরবদি অরাঅনা নংঙৈ। রিপু যুগতা মীনা এংথি। জায়াযুগতা নুপী কংই। জয় যুগতা জয় ওই। দুঃখ-যুগতা অবাবা নংই, মাহুমনা যুগ ৯গী মহৈ ৯ অসি মথং মথং ওই।

ত্রিপাপকথবার্তাবৎবর্ষপটাকী কথনং।
রবিশ্চন্দ্রঃ কুজ সৌম্যঃ শনির্জীবস্তথাভৃগুঃ।
ইচ্ছেলাদাইবেণ্যমু মধ্যে কেতুস্ত্রিনেত্রপাঃ।
কৃত্তিকাদি ত্রিরাবৃত্তির্যথা কেতৌমধ্যা ভবেৎ।
যথক্ষমাবর্ষফলং জ্ঞেয়ং কেতোঃ পটাকয়া॥

রবি, চন্দ্র, মঙ্গল, বুধ, শনি, বৃহস্পতি, রাহু, কেতু (মরাইদা) অরোইবদা শুক্র, অমুয়না মাপন অসি নোংপোক্কগীনা চিংথৈরোমদা মাইকৈ নিথমদা লৈগনি। অদুগা কৃত্তিকাদগীনা নক্ষত্র অমামম হাপকনি, মথানা তেতুদা তানবা মংহুমনা গ্রহ অমদা নক্ষত্র ৩।৩ থোকনবা অহুমলক হননা হাপকনি মী অদুগী জন্ম-নক্ষত্রনা তাবা গ্রহনা অহানবা চহিগী মপুনি, মাহুমনা মথং মথং পুগনি, চহি ৯ সুরগা অমোক হৌঙ্গৈ। মসিবু কেতু পটাকী অমসুং বর্ষ পটাকী দশা কৌই। মথাদা চক্র ওইনা এংবদা থংনবা ইরি:—

কেতু পটাকী চক্র।

রবি	চন্দ্র	মঙ্গল	বুধ	শনি	বৃহস্পতি	রাহু	কেতু	শুক্র
৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১
১২	১৩	১৪	১৫	১৬	১৭	১৮	১৯	২০
২১	২২	২৩	২৪	২৫	২৬	২৭	১	২

বর্ষ পটাকী ফলং।

রবিশ্চ প্রবাসে দেশস্থ সন্তাপশ্চ বিপীড়িতঃ।
কাতর সঙ্কটঃ শোকংকরোতিচ ভয় বিত্তবু॥

রবিগী চহিদা ওইবদু পুকনিং হুক্তাইত্তবদগী ওইরবসু মাচনা লাএংবগী ওইরবসু করিত্তমবা মরমগী অতোপপা মকমদা কোইনা চংহনদি। পুকনিংদা ঐবু কাঁয় থোকদৌরিবনো হাইনা-কি অদুগা কোকঅমবা কাদৈনবগী অবাবসু নয়হনদি।

জ্যোতিষবিজ্ঞান রহস্য।

চন্দ্রে তুষ্টিতা পুষ্টিঃ সুখস্বাস্থ্যমিবেকচ।
আরোগ্যাং জায়তে, নিত্যং ধনপুত্রসমন্বিতং॥

চন্দ্রগী চহিদা হকচাং হুত্তাই অমসু মথেল কাপজি। পুকনিং হুত্তাই/ [illegible] কংই, অমা অমেক কোকচৌ মরম অকাইবা লৈতে।

ভৌমে সদা ব্যাধ্যাদিং কুবর্দ্ধণ্যি রোগকং।
চর্মরোগী ভবেন্নত্র সন্তাপশ্চ দিনে দিনে।

মঙ্গলগী চহিদা মীনা মানা তৌবা লোমনিকপা অপুন্নবা মহৈ যানদে। অমাং বত্তা ওই। লৈনাসুনবাওবা ফত্তবা থবক্তা পাযহমক্তি, হকচাংবা পাং লোমই হুমিং চুপপা পুকনিং চাকই।

বুধে বোধশ্চকার্য্যাক কল্যাণং মহাসুখং।
রাজসম্মানলাভশ্চিতাং ধনলাভো দিনে দিনে।

বুধগী চহিদা লৌশিং লৌমান থোকই, থবক তৌবা পুংলোই, অমা মুদী কংই, হুমিং চুপপা ইহুং হুত্তাই অচৌবনা লুনা তৌঈ। শেন কংহি।

জীবে বিত্তা সুখং মানং লোকপূজ্য যানাশয়ঃ।
সর্ব্বজ্ঞানত্বং কণ্ঠেবর্ণহারবিভূষণং।

বৃহস্পতিগী চহিদা মহৈ চাওখংলি, পুকনিং হুত্তাই মীনা ঐকাঙ্গ খুঁৱৈ, মীনা লুনা তৌই, শন চংই, হকচাংগী লৈতে' কংই, ওক' সনানা লৈতেংই।

শুক্রে পৌরুষবাধ্যাতি পুষ্টিকর্ম্মসুখানি চ।
সুখারম্ভপ্রবালঞ্চ রাজসম্মানমেবচ॥

শুক্রগী চহিদা নিপা থোকই, মিত্রং অকবা কংই হকচাং ফপৰ্ক, [illegible] তৌবা অকায়বা অয়েংপা লৈতে পুকনিং হুত্তাই, মুক্তা-মণি পুৎসম কংই নিংথৌনা লুনা তৌই।

শনৌ রোগভয়ং শোক' বন্ধনং ভয়মেবচ।
অর্থহানিং কুলাচার প্রাণনাশং করোতি চ।

শনিগী চহিদা নাকনা অকিবা কংই, মচা মরম ওবা পামুনা [illegible], থা-থৌক লানথোককী লাপংপা, ঐগু করি থোকচৌমিবনো হাইনা কিবা, শেন [illegible], অথিবা যাক তাবা, মীনা থহাইমক মাংনবা তৌবা ওই।

রাহ্বাবো ভবেদেবাহোমেতো [illegible] চ।
বিবেকসমং চৈব বহি বাহ্নিকং তথা॥

রাহুগী চহিদা হকচাংগী ঊ-তাবা, মীনা এংথিবা, মুল থাক্তোকপা চকা, [illegible] অকিবা ওই।

[illegible] জীবং পুত্রাকল্প বন্ধনং।
[illegible] অন্যে, [illegible]॥

কেতুগী চহিদা নিংথৌগী থবক তৌবদা অকিবা নংই, পোৎ হুযানবা, মুন থ্রেংহোবা অকা অপুন নহবা, মীগী যাযনা থিনবা ওই। মাগোইগী অন্তর দশাগী দমক।

দিনপ্রমাণং বিংশকতো রবেঃ শাক্তিঃ প্রপূরয়েৎ।
বর্ষেবরাং সমারভ্য মাকতিকবিধানতঃ॥
রবের্বখাশ্চন্দ্রমসঃ খবানাঃ কুজোষ্টযুগ্মে বিধিবট্চপককং।
শনেস্তাব্দী গুরুতেংশ্রিকালোরাহোঃ খবেদা ভৃগুজংখশেলাঃ॥

অন্তরদশাগী পরিমাণ খংগে হাইরবদি দিন অহমগা দণ্ড তুম (৩।২০) দু প্রথাক ওইনা থম্বগা গ্রহহিংশগী অষ্টোত্তরী দশাগী চহিনা পুরিউ, গ্রহসিংগী অন্তর দশাগী দিন পরিমান ওই। অদুনা রবিগী দিন ২০। চন্দ্রগী দিন ৫০। মঙ্গলগী দিন ২৮। বুধগী ৫৬। শনিগী দিন ৩৩। বৃহস্পতিগী দিন ৬০। রাহু কেতুগী চুমিং ৪০ (হাইবদি রাহুগী ২০ অমসু কেতুগী ২০) শুক্রগী ৭০নি। অহানবদা বর্ষপতি না মাগী মহুৎদা যানা চাবা ওইবা, মাগী মথংনা অযোক সিনবা অহুমনা সাবন দিন ৩৬০ অহু চুপনা চাগনি।

তাৎপর্য্য—বর্ষপটাকী দশা অসি গ্রহ অমনা চহি অমা পুযানি। চহি অহ—সাবনবৎসের ওইরবদি চুমিং ৩৬০ না ওই। সৌর বর্ষ ওইরগা চুমিং ৩৬৫¼ নি, চান্দ্র বৎসর ওইরগা চুমিং সাবন মাসদা চুমিং ৩৫৪ য়োমনা ওই,—মতাং অসিদা সৌরিকা অন্তর্দশাগী পরিমাণ অসিদি সাবনদা উৎপনি।

উদাহরণঃ— চাওবা গী জন্ম নক্ষত্র রেবতীনি; বর্ষপুটাকীগী চক্রদা এরুবদা রাহু-গ্রহনা অহানবা চহি পুই। চাওবনা চহি ৫০ সুবদদি শনিগী চহি ওই।

ভাবনা— বর্ষপটাকীগী হাইরবা ফল সিং অহু চহি খুদিংগী মতৈ সুনা কংলোই, মতমসি বর্ষপটাকীবে মথংদা কেতুকুণ্ডলী মাহুগী মথংদা গুরুকুণ্ডলীবে পরেং অহুম, অহু তিনগা অহুম অহুগী মতৈ তিনসিনরগা ওইবা ফল কংগদবনি।

মথক্তা হাইরিবা ফল সিং অদুনা ওইগদবা মওইদি অসিনি— বর্ষপটাকীগী ফল অসি মাগী মথংদা ওইবা গ্রহসিং অদুগা গ্রহ মথক মায়রগা ফল অহু মপুং ফানা ওই, অনি মায়রগা অমদি মায়রবদি ভংথাই অমা ফাই, চুমাংনা মায়রগা থজিকং কহই। অমসু—বর্ষপটাকী নক্তা কেতুকুণ্ডলী অনিনিদি মপটাকী-গী পৎতে পারোতনি, মথোইগী ময়নাইগী ফলদি গ্রহনিংবা সোঁনদে।

কেতুকুণ্ডলী দশা চক্র।

গ্রহ	রবি	কেতু	বুধ	মঙ্গল	কেতু	গুরু	চন্দ্র	কেতু	শুক্র	রাহু	কেতু	শনি
নক্ষত্র	২৬	২	৩	৬	৯	১০	১৩	১৬	১৭	২০	২২	২৩
"	২৭		৪	৭		১১	১৪		১৮	২১		২৪
"	১		৫	৮		১২	১৫		১৯	০		২৫

গুরুকুণ্ডলী চক্র।

গ্রহ	রবি	মঙ্গল	কেতু	চন্দ্র	বুধ	গুরু	শুক্র	শনি	রাহু
নক্ষত্র	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১৫	১৬
"	১৭	১৮	১৯	২০	২১	২২	২৩	২৪	২৫
"	২৬	২৭	১	২	৩	৪	৫	৬	৭

ত্রিপাপ দশা এংবা।

কেতু কুণ্ডলীগী অমসু গুরুকুণ্ডলীগী চক্রদা মীঅহুগী জন্ম নক্ষত্রদা তাবা গ্রহ অহুমগী হৌরুমা অসুবা চাহ কাউবা গ্রহঅমা মথদা থিবু। তারুবা গ্রহ অহুমনা চহি অসুবা অহুগী গ্রহ ই। মকোক্তা কেতু পটাকী, মথংদা কেতু কুণ্ডলী, অহুমসুবদা গুরু কুণ্ডলীদশাগী গ্রহ অহুমনা ত্রিপাপ কুণ্ডলী দশাগী গ্রহ অহুম ওই।

উদাহরণ — চহি চহি ২২ সুবা কৃত্তিকানক্ষত্রনা জন্মনক্ষত্র ওইবা অমাগী ত্রিপাপ
দশাদা কেতুপটাকী দশা "বুধ" না ওই।
" কেতু কুণ্ডলীদশা "শনি" না ওই।
গুরুকুণ্ডলী দশা "শনি" না ওই।
অদুনা বুধ, শনি, অহুমনা ত্রিপাপ দশা নি।

জন্ম কুঠীজাদি মী অহুনা পোকপা অহানবা চহিদা পুগদবা গ্রহ অহুম হৌদুনা এংনবা সারিগী হাপই। মতুংদা থিদুনা এংলগনু ইরাইলাইনা ত্রিপাপ দশা থংই। মাদুদা থংগদবদি থাইনবগীনা কুঠীদা কামাপন্না গ্রহ ৩। ৩ হাপ্তুনা ইনৈ। মাগুদি অহানবগী অহুমসুবাগদি লাইরিকা মাথৈ, মথাই থংবদি মায়ই। লাইরিকী চংথবী থংবিনিংবনা কেতুকুণ্ডলীদগী লৌদুনা মায়াইহনবদি চপ মানমগনি। অদুগা মথাইগাসু মায়হনগে নিংলবদি কা ৩৬ ইরগা কেতু পাটাকীবু ৪ মক, কেতুকুণ্ডলীবু ৪ মক গুরুকুণ্ডলীবু ৪ মক হয়া হাপ্তুনা ইরগা চপ চাটনৈ। হন্দিক্তি থাসিনা নয়া ফংলৈ।

ত্রিপাপ দশা ফল।

পতাকী কুণ্ডলী কেতোঃ কুণ্ডলী চ বৃহস্পতেঃ
সর্ব্বত্র পাপসংযোগে সংশয়ো জায়তে মহান্।

কেতুপটাকী, কেতকুণ্ডলী অমসু গুরু কুণ্ডলী, আহম্মক্তা পাপ গ্রহ গাক্তা ওইবদে চহি অদুদা সিবা য়ান। নাগলদি (কেতু পটাকীগী মতাং অতৈগী কলদি হাইখয়ে। থোইদোকপা ময়ম:— দশা লেংবদা ময়ম অতৈগা দমক্তদি ত্রিপাপ দশাবু বিচার থোইনা তৌরদে। অমা অত্রক্কী দমক্তা মহাকপু য়াম্না মুন্না বিচার তৌনৈ। ত্রিপাপ দশাবু বিচার তৌবদা পঞ্চস্বর দশানে, সপ্তগুণ্য দশানে অমসু অষ্টোত্তরী দশানে অসিগুম্বা দশা মথল অহুম অসিগা মরি লৈনৈ, মাদুদি সপ্তশূন্যাদি চতুর্দ্দশ কোষ্ঠ দশাদি কোষ্ঠ তরামরিমক ত্রিপাপ দশাগা এংগদবনি; অদুগা কোষ্ঠ দশা সিং অদুগী ময়ক্তা বরি কদংগুম্বা কোষ্ঠ দশানা অষ্টোত্তরী দশাগা মরি লৈনৈ। দশা মথল অহুম অসিনা পূলপনা পঞ্চস্বর দশাগা অমা" অভিভাব কৌবা সম্বন্ধনা মরি লৈনৈ। অদুনা দশা মথল অহুম অদুগী বিচারদা সম্বোকনা ব্যাখ্যা তৌগনি। অমসু মাসিদা নিংসং-তৌগদবা অমদ লৈরি, মাগদি— পঞ্চস্বর অদুবু লাইরিক অদুবু লেংবা প্রাচীন পণ্ডিত-প্রজাপতিদাস কৌবনা ত্রিপাপ দশা সপ্তশূণ্যাদি দশাবু নিদান শাস্ত্র (মাইবগী লাইরিকা) মরি লৈনবা ময়মদা তাক্লই।

দশা মথল অনিসি নাবাগী ময়মদা থোইদোক্লা এংনবা হাঙ্গবাসিদি ধাতু প্রকোপতগী নাবনি। জ্ঞান শাস্ত্রনা সত্ব, রজস অমসু তমস্ অসুমনা তাইবংপানবদা লেংই পাজিবা মথক মফিং মাইবা পোং পুবনমকী মক্তওইবা প্রকৃতিবু অহুম থোকমা থাই। মাদুদা আয়ুর্ব্বেদ, শাস্ত্রনা গুন অহুম হাঙ্গৈগদবদা ধাতু অহুম হাঙ্গৈবতানি, মাগদি বাত পিত্ত, কফ অহুম অসিনা পোং পুমনমকী লেংলবা মক্তওইবা পোংনি হাই, অতনা গুণ অহুম হাঙ্গৈগদবদা আয়ুর্ব্বেদনা ধাতু অহুম হাঙ্গৈবনি। মীওইবদা চিংনাগী কচাং অসি ধাতু অহমনা তিদুনা ওইবনি। ধাতু অহুম অতগী মক্তা অমনা হেক্লগদা নাই। অহেনবা ধাতু অদুবু প্রকোপ ওইবা ধাতু কৌই। মীওইবনা মাগী হংকচাং অদুদা কুমসিদি করিধাতুনা প্রকোপ ওইগদগে হাঙ্গবা অদু থংলবদি. ত্রিপপা দশানা নাগনি হাঙ্গবা চহি অদুদা নায়বদি মাগী ধাতু অদু পোইবনা প্রকোপ ওইগনি। নায়োইদবা চহিদদি মাগী ধাতু অদু প্রকোপ ওইদে। কুমসিদি করবা ধাতুনা পুবাগে হাঙ্গবাদু থংনবা দশাবু "মুকুন্দা" দশা কৌই। অদুনা প্রসঙ্গক্তিন্যায়না মতাং অসিদা মুকুন্দা দশা এংনবা হাঙ্গনি।

মুকুন্দা দশা চক্র.

গ্রহ	রবি	চন্দ্র	মঙ্গল	বুধ	শনি	গুরু	রাহু	শুক্র
বৎসর	৩	৬	১০	১৩	১৭	২০	২৩	[illegible]
[illegible]	৪	৭	১১	১৪	১৮	২১	২৪	[illegible]
[illegible]	৫	৮	১২	১৫	১৯	০	[illegible]	[illegible]
[illegible]	—	৯	—	১৬	—	২২	—	[illegible]

মী অহুগী [illegible] তাবা [illegible] [illegible] [illegible] কাউবা খিবদা তাবা গ্রহনা কুমঅহুগী মুকুন্দা দশানি।

রবিঃ পিত্তং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible]।

[illegible] চহিদা পিত্তঃ চন্দ্রগী বাত, [illegible] কফ, [illegible] পিত্ত, বুধকী না [illegible]; পিত্ত, [illegible], [illegible] কফ, শুক্রগী [illegible] কফ, শনিগী বাত, [illegible] রাহুনা [illegible]।

মন্তব্য — [illegible] মুকুন্দা দশানা হাঙবা ধাতু অসিনা হৌড়নাতানাগনি হাঙবা নত্তে, ধাতু অসিনা হৌদুনা নত্রগা চুমনগী নাবদা কুম অদুগী ধাতু অদুসু কৌনা য়াওসনবা অনিদিগী মরক্তগী অমা ওইগনি। মাদুগী থংনবদি মী অদুম্বা নাবদা তৌরিবা মওং অদুনা ধাতু অদু প্রকোপ ওইরে হায়বা আয়ুর্বেদ [illegible] লক্ষণনা থংগনি। মাদুনা মুমা [illegible] মনা [illegible] অসি কুম অসিগী ধাতুনা হৌদুনা নারিবা নত্রগা [illegible] মাসু য়াওনবনা [illegible]। [illegible] হায়বা [illegible] — [illegible] অমতনা [illegible] [illegible] নাদা। [illegible] হৌনদে — [illegible] ওইবা হাঙবদি খোইনম্পাক লোনবাগুমনা [illegible] অমগা ২ [illegible] নারাব। মাদু থংবগী [illegible] প্রতিকার তৌবা হায়বদি — হিদাক তৌবদা অমসু মণি মন্ত্র ঔষধিধারণ তৌবদা অনাবা [illegible] [illegible] ফৈ।

উদাহরণ — নিপা অমা মাহে, মাগী মুকুন্দ দশাদা রবিনি পিত্ত প্রকোপ য়াওগনি — মাদু য়াওরবদি পিত্তনা তুগী [illegible] নত্রগা মাগী প্রকোপ ওইথত্তনবা হিদাক লেম্বনবনি। প্রতিকার তৌরবদা মণি, মন্ত্র, ঔষধি ধারণ তৌবদা [illegible], সূর্য্য[illegible], [illegible] অসিনা [illegible] সিজিননবগা অনমা অদুগী উপায় [illegible] ওইগনি, অসিনা চিংবা।

—— [::] ——

পাক্ষ [illegible] দশা চক্রং।

[illegible] ৮১ স্ম	৮১ ই	৯৩ উ	৯৯ এ	১০৫ ও
অকরাদি-অকহডধভব	ই খ জ ঢ ন ম শ	উ গ ঝ ত প য ষ	এ ঘ ট থ ফ র স	ও চ ঠ দ ব ল হ
তিথয়: নন্দা — ১।৬	ভদ্রা ২।৭।১২।১৭	জয়া — ৩।৮।১৩,১৮	রিক্তা ৪,৯।১৪।১৯	পূর্ণা ৫।১০।১৫,২০
।১১।১৬।২১।২৬।২৬	২২।২৭	।২৩।২৮	২৪।২৯।	।২৫,৩০।
নক্ষত্রাণি — ২৭।১।২	৭।৮।৯।১০।১১	১২।১৩।১৪।১৫।১৬	১৭।১৮।১৯।২০।২১	২২।২৩।২৪,২৫ ২৬।
[illegible]				
বারাঃ — রবিঃ মঙ্গল,	সোমঃ, বুধঃ	বৃহস্পতিঃ	শুক্রঃ	শনিঃ
রাশয়ঃ - মেষ সিংহ বৃঃ	মিথুনঃ কর্কট, কন্যা	ধনুঃ মীনৌঃ	তুলা বৃষৌ	মকরকুম্ভৌঃ
[illegible] ৯ [illegible]	[illegible] ৩০	চৈ ১৫ বৈ ৩০	[illegible] [illegible]	ভা ২৫ আ [illegible]
পৌ ৩০ মা ৩	[illegible]	[illegible]	শ্রা ৩০ [illegible] ৯	[illegible]

অথ পঞ্চস্বর দশা।

মাতৃকায়াং পুরাপ্রোক্তা স্বরা ষোড়শ সংখ্যয়া।
তেষাং হ্রস্বদ্বিতৌ ত্যক্তৌ চত্বারশ্চ নপুংসকাঃ।
শেষা দশস্বরাস্তেষু গ্রাহ্যৈকৈকো দ্বিকে দ্বিকে।
জ্ঞেয়া অতঃ স্বরাস্তত্র স্বরাঃ পঞ্চস্বরোদয়ে।

মণীদা স্বরম যেকপু তমাতরক ওইনা হাজৈ। মাতুদা অযোহিবা অনি (অং, অঃ) দি অয়োগবাহনি, স্বর নত্তে, মরক্তা লৈবা মরি (ঋ, ৠ, ৯, ৡ,) অসিদা নপুংসক-নি, (র্, + ই = ঋ, র + ঈ = ৠ, ল + ই = ৯, ল + ঈ = ৡ) হায়বদি ব্যঞ্জনগা স্বরগা য়াম্নবনি, অদুনা স্বর নত্তে। লেমহৌবা তরা— অ + আ, ই + ঈ, উ + ঊ, এ + ঐ, ও + ঔ, মাখোই অসিমু অনিনা অমমমনি, অদুনা স্বরোয়দা (স্বরনা উদয়-থোকপদা) মতাতনি। মাদুদি অ ই, উ এ, ও, অসিতনি।

কাদিহান্তান্ লিখেদ্বর্ণান্ স্বরাধোঙঞণ বর্জিতান্।
তীর্য্যক্ পঙ্‌ক্তি ক্রমেণৈব পঞ্চত্রিংশৎ প্রকোষ্ঠকে।

স্বর মতাগী মথাদা ক দগীনা হ কাউবা হপী মযেকপু ঙ, ঞ অমসু ণ, মাওনে দবা কৈনা কা ৩৫ দা মথং মথং হাপউ।

অকারাদি ক্রমাত্তত্র নন্দাদিতিথিপঞ্চকং।
অর্কভৌমৌ বিধুজ্ঞৌচ গুরুশুক্রশনিস্তথা।
বারাঃ কোষ্ঠেষথো লেখ্যাঃ অধরে সপ্ততারিচ।
পঞ্চ পঞ্চ ইকারাদেঃ রেবত্যাদি ক্রমেণ চ।

অকারদগী হৌঙনা নন্দানাচি বা তিথি মঙাবু মথং মথং হাপউ অমসু রবি মঙ্গলবু চন্দ্র বুধবু গুরুবু শুক্রবু শনিবু বার ৭ পু কা ৫ দা মতা থোকনা হাপকনি। অকার স্বরদা যেক[illegible]গীনা নক্ষত্র ৭, ইকারনাচিংবদানা নক্ষত্র ৫। ৫ হাপউ।

প্রস্বপো বোধ্যতে বর্ণৈ যেনাগচ্ছতি শব্দতঃ।
তত্তন্নামস্বরাদি বর্ণেঃযত্র তিষ্ঠেত্তত্র চ।
তস্মাদ্বালঃ কুমারশ্চ যুবা বৃদ্ধো মৃতস্তথা।

তুম্নবদা হৌ-দোক্লবা অবাপদগী কৌনবা মিংগী মকোক থংবা মযেকনা লৈবা স্বরগী কাদগী—বাল, কুমার, যুবা, বৃদ্ধ, মৃত্যু অসুমনা থিগনি।

ন প্রোক্তা ঙ ঞ ণাঃ বর্ণা নামাদৌ সন্তি নহি।
চেৎ ভবন্তি তদাজ্ঞেয়া গজডাস্তে যথাক্রমং।

পঞ্চস্বরগী চক্র অসিদা " ঙ, ঞ, ণ, " মযেক অহুম অসি য়াওদে, মরমদি মযেক অহুম অসিনা হৌবা মিং লৈতে। করিগুম্বা মকমগী মিংদা মযেকসিং অসুনা হৌ মিং লৈরবদি গ, জ, ড়, অসিনা ওইগনি হায়বদি, ঙনা হৌবনা গগী, ঞনা হৌবনা জগী ণনা হৌবনা ডগী স্বর লৌগনি।

প্রভবাদি ক্রমেণৈবাং ষষ্ট্যাব্দবৃহস্পতিকঃ।
উভয়ো দ্বাদশব্দানাং প্রত্যেকং দ্বাদশাংশিকঃ।

প্রভবনা চাংবা সংগোনশেনগী চহি ৬০ বু (সাগী চহি) অমর নাচিংবা কা অমদা চহি ১২ হাপকনি।

বিবৃত্তি— হ'জক চৎনরিবা শকনাচিংবা চহি থংনবা চৎনরিবা ঊরা হাই-বসি ভারততা চৎনরমদে। মাসি কোয়া শেমনরকপনি। মমাঙ্গেদি মণিপুরগী চৈথারা কোবা মীগী মমিংনা চহি থংনবা চৎনবা অসিগুমনা চহিগী মমিং ৬০ থক পোয়ি। মাগনা চৈথারাগুমনা চৎনরমই, মমিং ৬০ অহুনা ওয়া ২ কৌহুনা ইবাগী মতৌগুম চৎনবা, চৈথারাগী মিংগুমানি।

বৃহস্পতিগী খোংচৎনা জ্যোতিষ চক্রবু অমোক কোইবা পুংবদা চহি ১২ চংই চহি অমদা রাশি অমা চৎলি, অমুমনা বৃহস্পতি মধ্যমিক গতি অসিদগী চহি ৬০ অসি লৌই। অহুনা হৌজিক কাউবা ধর্মকর্ম ভৌবদা সংকল্পগী মতম থাবদা শকনা চিংবাবুদি হাপনদে, বৃহস্পতিগী চহি হাইদুনা চহিগী মমিংসি চৎনরি। অদুগা থংকদি মাসি শিজমদরে। শকঅর দশাবদি যামল শাস্ত্রনা বৃহস্পতিগী চহি অসিদা চৎলি। অহুনা ঋষিপরাশরনা মাগী সংহিতাদা লৌখৎলি। অহুনা প্রভবদগী হৌবা চহি ১২ না অমী, মথং ১২ না ইগী অমুমনা চক্রদা এখলগা থংগনি। মাগী দশা এংবদি মতম অদুদা বৃহস্পতিগী চহিদা কয়াসুবগে এংলগা মাগী মমিংগী কয়া হুবা ময়না চারিবগে এ.হুনা মহৈ অদু লৌগদবনি। অহুনা বৃহস্পতিগী চহি অহু থংনবা অয়াজেবা অমা মতাং অসিদা হাপচল্লি।

শকেন্দ্রকালঃ পৃথগাকৃতিরঃ শশাঙ্কনন্দাশ্বিযুগৈঃ সমেতঃ।
শরাদ্রিবস্বিন্দুহৃতঃ সলব্ধঃ ষষ্ট্যবশিষ্টাঃ প্রভবাদয়োঽব্দাঃ।

শকপু ২২না পুরিউ, ৪২৯১ তিয়ু, ১৮৭৫ না হায়িউ, অকংবনা চহি ওই. অরেম্বু ১২ না পুরিউ, ১৮৭৫ না হয়িউ অকংবনা থা ওই, অরেম্বু ৩০না পুরিউ ১৮৭৫ হয়িউ অকংবনা দিন ওই. মাসুমা চহি, থা. দিন পরেং থমু. চহিগী মকমদা শক-তিয়ু ৬০ না হয়িখোকউ, অরেমনা শক হৌগৎপা মতমদা বৃহস্পতিগী চহিগী হৌরবা ওই। উদাহরণ [১৮৭০ × ২২ + ৪২৯১] ÷ ১৮৭৫ = ২৪।২।২২ + ১৮৭০ = ১৮৯৪।২।২২ ÷ ৬০ অরেবা চহি ৩৪। থা ২ দিন ২২ অসি শক ১৮৭০ হৌগৎপদা ওইবা বাইস্পত্য চহি মসিং ৬০ গী হৌরবা চহি মশিং ওৎ। অদুনা ৬০গী ৩৫ হুবা চহি ওইবি অর্থদি বাইস্পত্য চহি ৬০ মধুংবা ৩৪ হুবা চহি লৌংরে। ৩৫ হুবা চহি চৎবা থা ২ হুমিং ২২ হৌখরে।

অহুনা চৈরাওবা হুমিৎতগীনা খা ৯ হুমিৎ চসি কাউবা হাঙবদি সৌর মাথগী হ্নুং.৮ কাউবা ৩৫ ষুবা চহিনা ওইখিগনি। অহুনা পঞ্চস্বর দশা এংগে হাঙরবদি এংনিংবা হুমিৎ কাউবা অহুদা চৈরাওবা মতুং নোংমা কোনবদগীনা অপাঙ্গা হুমিৎ কাউবদা হৌত্রবা হুমিৎ মসিংবু "বর্ষাদি দিনবৃন্দবু" থা সার্গৎলগী বার্হস্পত্যবর্ষগী হৌথবা চহিগী থানাচিংবদা তিল্লু, দিননা ৩০ হেল্লগা থাদা অমা তিল্লু, থাদা১২ স্থরগা চহিদা অমা তিল্লু, মাহুনা বর্হস্পতাগী হৌথবা চহি, থা, হুমিৎ মসিং ওই। মাহুবু চহিদা ১২ না হারিউ, অকংবদা অমা হাপউ, উদিতস্বরগী মসিং ওই, মাহুদি ১অ, ২ই,৩উ, ৪এ, অমহু ৫ো ওষরনি থংনগনি। দশাগী ফলদি মীঅহুনা পোকপা জন্মস্বরদগী বাল, কুমার, যুবা, বৃদ্ধ, মৃত্যু খহুনা এংবদা উদিতাস্বরদা তাবা মসিংঅহুগী ফল অহু ওই।

উদাহরণ—শক ১৮৭০ গী বৈশাখগী তাং ২০ দা কৃষ্ণচন্দ্রগী স্বরদশা এংসি। বৈশাখগী তাং ২০দা বর্ষাদি দিন বৃন্দা ২০ নি। মাহুনা বাহস্পত্যবর্ষ ৩৪।২।২২ দা তিল্লগা ৩৪।৩।১২ ওই। চহি ৩৪বু ১ না হয়িরগা ২ ফই, অমা তিল্লগা ৩ ওই, মাদি উস্বরনা উদয় ওইরি কৃষ্ণচন্দ্রগী জন্মস্বরদি চক্রদা কাকাদা লৈবা স্বরদি "অ" নি, অদুদগীনা উ কাউবদি যুবা স্বরনি, অহুনা থংলে কৃষ্ণচন্দ্র কৌবা অসিগী যুবা স্বরনা দশা ওইরি।

বারণা সাড়াক্ষ, স্বল্পাক্ষ দ্বাদশক।
উদয়াস্তে পুনস্থস্থৈরেব কাদশোদয়ে।

পঞ্চ স্বরদশা অসিনা চহি তরানিথোই চাবনা হৌবা পুং কাউবা অসি মামাগী মফমদগী মামাগী মতম চুপনা উদয় ওই। মাহু দৌরগা অংমাক। অমোকহু মামাগী মহুংদা তরামেথোইরক হমা উদয় ওই।

বিবৃতি—বালশবিবক স্বর, অয়ন স্বর, ঋতুস্বর, মাস স্বর, পক্ষ স্বর; দিন স্বর, অসুন হাঙহুনা অমনা উদয় ওইবা মতম অসি মথদ তাককনি—অহুঙবা অমক অহুনা মামাগী হৌকখ মতম অহুমগী কৌবনা মামাগী মতম অহু চুপনা উদয় ওই। অমহু মামাগী মহুং অহুনা কত্তোপপা স্বরসিং অহুনা ১১ রক অস্তোদয় ওই হাঙবদি মামাগী মতমবু ১১ দা এহুনা কংবদা অস্তোদয় মাক ওই হাই-বদি। অহুবা অস্তোদয় থংলে হাইরবদি বার্হস্পত্য গত বর্ষমাচিংবু ১২ দা হুরি-রগা লেফহৌবাবু পদ ওইরগা (চহিবু ১২ দা পুরিবা থা-তিনবা, থাবু ৩০ না পুরিবা দিন তিনবা থাবু ৬০ না পুরিদা দণ্ড তিনদনবা, থাবু ৬০ না পুরিরগা

ওইবা মসিংবু অস্তরোদয়গী হায়ক হাইরবা ১৪১০৮ না হরিভ অফংবদা অমা তিমল্ অস্তরোদয় স্বর ওই।

থংজিনগদবা :—— পঞ্চ স্বর হাঙ্গৈবসি তন্ত্র মতনি, মচাক্কি যামল শাস্ত্রনা চাঙ্গৈবনি, নরপতি জয়চর্য্যা-না মথল মথা য়ামনা তাক্লুনা সন্দোকনা হাঙ্গৈ। মতুদগী পরাশরনা লৌতনা মহাকবী সংহিতাদা দশা ময়াম চাটৈবদা থরদং সিজন্নবা লৌবা অতুগী মথৈ ঐনা মতাং অসিদা পরাশরগা বাটৈ ওইনা লৌবতনি। কয়া কুইনা যুবাস্বরগী দশ ওইথিগদবগে থংগে হাঙ্গৈরবদি ১২ না শরিরগা অরেম্বু চহি ১২ দগী থাইদোকলগা অফংবা চহি, থা, নুমিৎ অদু চাথিগনি।

উদাহরণ — ১২না ৩৪২।২২ বু হরিবদা ১০ ২।২২ লেনই, মাতনা ১২দগী থাইদোক্লগা চহি ১ থা ৯ নুমিৎ ৮ দং. চাংথিগনি থংনগনি।

অস্তান্তরোদয়ো বর্ষমেকো মাসোনিষমুকং।
লোকাক্ষিনাড়িকাঃ প্রোক্তা অষ্টাত্রিংশৎপলাদিচ।

চবি ১২ চাবা স্বর অসিগা অস্তরোদয় মানদি চহি ১ থা ১ নুমিৎ ২ নি. পুং ৩৪ অমগ মীকুপ ৩৮ নি।

বিবৃতি— স্বর অমনা চহি ১২ চাই। চহি ১২ অদুগা মতুংদা স্বর মঙা অমত্না সুমা অমোক চংই মাস্ত্রা চংবা স্বরসিংত্রু অস্তরোদয় (মতুংদা থোকপা) কৌই। অদুনদি পঞ্চস্বর দশা এববা চক্রিক কার স্বরনা পুরিবগে থংনবা মথক্কা তাকপ্রে। অদুগা মতুংদা থোকপা স্বরগা থংনবা হন্দক্কী শোক অসিনা তাকপনি। মাদুদি— চহি ১, থা ১, নুমিৎ ২ পুং ৩৪ মিকুপ ৩৮ নি, কাঙ্গবদি অস্তরোদয়দা স্বর অমামম্না মিকুপ (পল) ১৪১৩৮১৮ (লক্ষতরামর্থ লিসিং তরাহুমদোই চানিপান স্নপনগা তরানিপাল) চুপনা পুই হাঙ্গৈবনি। ময়ম অসিনা পঞ্চস্বর দশাগী বিচারদি বিস্তা, বুদ্ধি, বিবেকনা মাবু মুন্না থংবা য়াদে গুরুনা তাকদবনি। হাঙ্গৈবদি গুরুগম্যনি। ঐনা চহি ১০ হেন্নকপা মতমদা ঐগী শ্রীগুরুদেবনা যামল শাস্ত্রবু চিন্না মুতিগী তাকপিছনা থংহৌই। যামলগী সাগর মরুম চাওবা জ্ঞানরাজাদগী মচেৎ থজিকং লৌথংপা পরাশরগী পঞ্চস্বর দশা অসিবু মতম অসিদা ভারতবর্ষদা অহৈবা লৈরমগনি, তৌইগুরমুং মতম অসিদা প্রবীণ ওইবা অফাউবা পণ্ডিতসিংনাদি থংবা ভমত্রচুনা কারন তুরণ হাঙ্গৈজিন্দুনা লাংরিক য়ামা ইথোকলে, মাদুবু ঐথোইগী ইচিন ইনাওসিংনা অচুম্বা ওইরবোই নিংলুগনি হাঙ্গৈনা কিন্তুনা শ্রীগুরুপাদবু থমোইদা হাপ্পুনা পঞ্চস্বর দশাগী মতাং অসিদা হাংবাদমু পাদুনা লৌবা ভুরবা ইচিন ইনাওসিংনা পাবিনবা ইথোকপতনি। মাসি ইথোকপদা জ্ঞান থিকং অসি তাকথোকপগীদমক্তা, মচানা অভাং ওইনা সান্ন-

অবনি নিংতুনা ঐশী ইপানা পেনাবিনগুম তেংবান। মপুনা পেনবিসন্থ:—

"পিতা যথা তুষ্যতি বাললীলয়া তথা তুষ্যতু বিশ্বভর্তা"

উদাহরণ - উৎভুবা বাহস্পত্য গতবর্ষ ১২ না হাঁয়নদা অয়ুম্বা চহিনাচিংবা ১০।২।২২ নি মাচবু পল ও'হল্লগা ১৩০৫১ ০০ ওই. মাপু ৪১৩১৮ না হাঁয়রনা ৯ কাই, অমা হাপলগা ১০ ও, থকেল উদিত স্বরদা ১০ সুবা স্বরনা অসুয়ে দস্র ওইরি। অসিনাচিংবা।

জন্মকর্ম্মাধানাপিত্ত ভেদা। প্রাণ্বর্ন্নিম।
যত্র নামাক্ষরং প্রশ্নং তাত্র চিন্ত্যং শুভং।
তস্মাদ্বর্ষং বিজানীয়াৎ বর্ষ স সভবেৎ পুন।
মাসদ্বয়ং চ বিজ্ঞেয়ং দিনং দশকাধিক।
এবং ক্রমেণ জানীয়াৎ বাচ পঞ্চ পঞ্চয়।

স্বর মচাগী কা মত্তা অতবা মী অস্থ স্বরগী মকে অংচী না লৈবা কাংগী স্বর অচুদগী হৌ না জন্ম, কম্ম, অধান, পিত ছেদ মি, অসিনা ওই।

জন্মস্বরদগী হৌদুনা চহি অমবা স্বর মতাংদু থ নগাল হাইবু থা ওইনা থ ন- পনি। মাচুদি স্বর মতদা স্বর অমবা থা ২ চুমিং ১ নি।

ব্রহ্মাপতিদাস:— কত্তিকাদ্যে দিনং হ্যং নবত্যং যথা তথ।
মার্গ পৌষং তথাদ্যেষ মাঘস্য চ দিনত্রয়ং।
এবং ক্রমেণ বোদ্ধব্যা ... যথা ভবেৎ।

পরাশর:— এতংহিক পঞ্চ ক্রমেন সংপ্রবয় নস রতঃ।

স্বর মতাদা থ ১ নিন ১২ দাই দাও ন হিরু এংথোকপগী মরমদা ব্রহ্মপতি- দাসনা মাচুবুংগী পঞ্চস্বর লেখা গাঙীরুক হাঙ্গিনা ওয়া ...ক হাঙ্গদুনা লৌথংনি, মাদু স কার্ত্তিক থাগী ৯ বোইলা সু নং মাপনগা অগ্রহায়ণ ৩০ পৌষ ৩০ গা মাঘগী চুমিং ছমনগা সুপনা থা ২ সু মং ১২ ন অসিনা হৌদুনা চহি অমা কানবা স্বর মতাদা এনথোক্তনি।

চক্রদা ইবিবা মাসদা হাঁয়বা অঙ্ক অসি, তিথিনি, বঙ্গদেশদা তারিখ ওইনা চৎনৈ।

চক্র।

অ	ই	উ	এ	ও
কার্ত্তিক ৯	মাঘ ২৭	চৈত্র ১৫	জ্যৈষ্ঠ ৩	ভাদ্র ২১
(কার্ত্তিক ২২)	(মাঘ ৪)	(চৈত্র ১৬)	(জ্যৈষ্ঠ ৪)	(ভাদ্র ২২)
অগ্রহায়ণ ৩০	ফাল্গুন ৩০	বৈশাখ ৩০	আষাঢ় ৩০	আশ্বিন ৩০
পৌষ ৩০	চৈত্র ১৫	জ্যৈষ্ঠ ২৭	শ্রাবণ ৩০	কার্ত্তিক ২১
	১০৪	২১০		৬৬০
মাঘ ৩			ভাদ্র ৯	
৭২			২৮৮	

চক্র এৎবা এংগেনিংবা চুমিত্তা পানবা তিথিগী অকবা ৯তিম্থ পোইথুজীন। হোৎ্রয় থাগী মম্রিংবু ৩০না পুৎ্রিদুনা তিম্ন ১২না হরিউ অফংবদা অমা তিম্ন স্বর মসিং ওই।

চক্র এংবা দশা এংথা মতম অড করি থানো মাগী ছুমিৎ কয়ানি সুকনো এংলগা চক্রে অসিদা করি স্বরনো এউ। স্বর অহনা মী অতুগী বাল, কুমারদা করিস্বরনো এংগনি, অতগা ফল থগনি।

চিংনগদবা — থা অসি সৌরমাসবা? চন্দ্রমাসরা? হাঙবা পরাশরগী মতত্তা চন্দ্রমাসনি, বঙালী উড়িষ্যাগী মততানা সৌরমাসনি হাঙনা লৌ? মাখোইগীদি থাগী ছুমিৎ মসিং অড তারিখনি। মণিপুরগীদি থাগনি হাঙনা থ-নগনি মরমদি নিংসিংবা পোক্তরবা মতমরগীনা তিথিপত্র চৎনরক্‌, তিথিতা চৎনরক্কে অমসু যামল শাস্ত্রদা তারিখকী ব্যবস্থাদা স্বর শিক্তরে। অদু বঙলাগীদি তারিখতা লৌগনি, মরমদি মপা মপুনা তারিখত চৎনরকই, অতনা পরাশরন মতাং অসিদা হাঙরমই —

"এবং বিভাগশ্চান্দ্রাব্দে সম্প্রদায়ানুসারত:" অসিনি।

উদাহরণ - হাইরেন ২১+৯। (২ / ১০)=৯০+ ৭২লব্ধ ১+১=২= ই।

অথ পঞ্চস্বর দশাফলং।

কিঞ্চিৎ লাভকরো বাল: কুমারস্বর্দ্ধলাভদ:।
সর্ব্বসিদ্ধি যুবা ধত্তে বৃদ্ধ হানিং তেস্বর:

বালস্বর থক্তিকুং ওইতবা ফংই, কুমারনা শংই ফংই, যুবাস্বরনা মপুংফানা মতৈ যাম্বি, বৃদ্ধদা যাংই, মৃত্যুদা ংখা ওই।

বিবৃতি — লৈরোনবা বালস্বরদ থক্তকুং তোংই, কুমার ওইরগা তোংকম থোকপগা ভয়াই অমা তোংই, যুবা ওইরগা তোংকম থোকপা মপু ফানা তোংই, বৃদ্ধ স্বরদা লেপ্লেপ থর হঙ্গাদে, মৃত্যুস্বর ওইরবদি লেপ্লেপ ফাউবা পুম্মাং মাংই। মাস্তুমা থবক অতৈদাসু থ নগনি। থবক সু কন্না মথক মঙ্গলগী মতুং ইন্না স্বর মতাগী মতৈ তোংবা অড মথাদা হৈর।

যাত্রা ..ক বিবাহচ নবে দুষ্টে ব্যাধিনি..।
বালস্বরা শুবদ্ভিষ্ট বিনা হানি শুভে শুভং॥

বালস্বরদা লংফৈ চৎপা, লানচৎপা, মোকদ্দমা তৌনবা, পোৎমী বা, এক্রবনাংবাগী ফত্তনবা ফত্তবা থবক তৌবা, নাবা ফত্তে, ফু..লাংবনাচিংবা অকবা থবক তৌবদি ফৈ।

সর্ব্বেষু শুভকার্য্যেষু যাত্রাকালে তথৈব চ।
কুমার: কুরুতে সিদ্ধিং সংগ্রামে সর্ব্বতোজয়ী।

লুহোংবা, যুমশাবানাচিংবা অকবা থবক পুনমক তৌবা, লংফৈ চৎপাসু কুমার স্বর ফৈ। লান চংলবদি মশাদসু খুৎলাইনা শোকই, সিদে অমসু লান অহু ওমই।

শুভাশুভেষু সর্ব্বেষু মন্ত্রযন্ত্রাদি সাধনে।
সর্ব্বসিদ্ধিঃ ধ্রুবা ধস্তে যন্ত্রাযুক্তে বিশেষতঃ।

অফবা থবক মুহোংবাগুদা পুমনমক, ফত্তবা থবক মী থংনবা মোকদ্দমা তৌনবা-গুদা পুমনমক, মন্ত্রসিদ্ধ ওইনব, শোনবা, ফমনবা মন্ত্র ধারণ তৌনবা শেম্বা, থবক পুমনমক ধ্রুবা যয়না অফবা মহৈ য়ানবা পী। মংকৈ চৎপা দান চংবনা অমোক হেনা কৈ।

দানে দেবার্চ্চনে দীক্ষাশুভে শুভপ্রজন্মে
বৃদ্ধয়ো ভবেদ্ ভব্যাংশ তস্মাত্তাংশয়ে।

দান তৌবা, করিগুম্বা অপাম্বা মচৈ ফংনবা করিগুম্বা পাই অমাবু ঊড়াংপা, দীক্ষা তৌবা, অথুম্বা মন্ত্র শাম্নবা, মাখোই অসি বৃদ্ধয়না কৈ। দানচংলবদি কাই-তুনা চেন্নকই। মংকৈ চংলগা অফবা নংই।

বিবাহাদি শুভং সর্ব্বং সংগ্রামাশুভং তথা।
নবর্জবাং শুভে কিঞ্চিন্নাং মৃত্যুশংরাদয়ে।

মৃত্যুযয়না উদয় ওইরিবৈগুদা মুহোংবনাচিবা অফবা থবক অমত্তা তৌবা য়াদে। লাম শোক্কবনাচিংবা থবক তৌবা য়াদে। অমাংবা অসিবা শোইদনা ওই।

অথ প্রতিদিন স্বরদশা ফলং।

হৃজিক হুমিং থুদিদা স্বরোদয়গী দশা এবা চাঙ্গিরি। স্বরদশা এংলগা উনরি। স্বর মঙাগী কা থুদিংদা তিথিনে, নক্ষত্রন অমসু বারনে অতম থাবি মাখোই অতা মাগী জন্মস্বরদগী বাল, কুমার, যুবা বৃদ্ধ অমসু মৃত্যু হাঙ্গনা এংবদা ভাবিবা ফল অদু পি। মাসুদি —

তিথি বারর্ক্ষতো দশ প্রত্যেকং বালকাদিনা।
নামবর্ণাদিতো জ্ঞেয়ং ফলং পুংসাং দিনে দিনে।

হুমিং থুদিংদা পানবা তিথি, বার অমসু নক্ষত্র অতনা মাগী ১ মিংগী মতেংগা লৈবা দশী বালনাচিংবা লিবদা ভাবা ফলবু হুতি থুদিংগী পী।

হুতিগী পানবা তিথি, বার, নক্ষত্র অদুদি কা মযক্তদা তামিন্নবা তৌদে, অতনা ফল-দি তিথিনা অমা, বারনা অমা অমসু নক্ষত্রনা অমা পিবনা অহুম্বক মান্নবা, অনি মান্নবা, অমত্তা মান্নদবা, থর থর মান্নবা অসুম্না ওই, মাসুদি করম্না বিচার তৌগ-দগে হাঙ্গবা নয়পতি জয়চার্য্যানা হাঙ্গে।

তিথ্যাদি মেলনবশাৎ ফলং জ্ঞেয়ং শুভাশুভং।
ধূর্বিত্রয়ে শুভং পূর্ণং অশুভকম্বু, ভত্রয়ে।
অক্রমাপোংশুকংস্যাং শব্দয়েণ শুভাশুভং।

তিথিনাচিবা অহুম্না তিংরবা ওইবা অকনা ফত্তবাদু মাসুম্না থংগনি। মতুদিঃ— তিথিসু, বারসু, নক্ষত্রসু অহুম্মক যুগা ওাক্তা তাবা শুভিংতা থমথোকনা কবা হমিংগনি, মাহুম্না মৃত্যু ওাক্তা তাবনা থমথোকনা ফত্তবা হমিংনি, মরক্তী মামনা তাবদি ইমান মাইরি কবনা মাথবা ফত্তবমা মাথবা বিচার তৌনা দৌ।

উপদেশ — পঞ্চস্বরদশাদা স্বর মথন অহুম চাঙ্গি, মাতুদি ১ দ্বাদশবার্ষিক স্বর দশা (চহি ১২ চাবা) স্বরগী অমা। ২ অন্তর্দশা চহি ১ থা ১ চাবা অমা। অমসু চহি অমদা থা ২ নুমিং ১২ চাবা, অহুম অসি চাঙ্গথরে। মথোই অহুম্মক ফল পীগনি। মাতুদি দ্বাদশবার্ষিকনা অমা, মতুগা মাপুগী অন্তর্দশাগী মাতুগুবনা থা ২ চাবা শরনা অমা মাথোই অহুম স্বরসু মাপুরগা ফল অড মপু ফানা, মাপুগা তথোই অমামম চনপবা অনি মাপুগা তথোই অমা পিগনি। অতুগা মাসিমাসু মুম্না থংগদবনি; মাতুদি :—

মকম অমত্তদা নৈমিত্তনা রাংবা ফল ওইবদি অনমনক ফাং অসুমনা ভট্টা পানাচিংবনা গোচর বিচারক তৌই মাত সর্ববাদী সমত নত্তে, ওইরবসু গোচরতগী তৌবনি। স্বরগী অদি পীরবা ফল অড ইকং ফংগনি। মাতুদি মৃত্যুস্বরগা যুবাগা তিররবদি মৃত্যুসু ফংগনি, যুবাগীসু ফংগনি, তাইগুমসু চনপনা ওই সিবনা পিবগুম্বা, মামনা ওইজবসু থমথোকনা ওইজবা ফাওবা ফংগদ, মাতুমনা এংগদবনি। অতুগা তাৎকালিক ওইরবদি কনাগুম্না মীনা দ্বাদশবার্ষিকতা চহি ১২ চুপনা মৃত্যু স্বরদশা ওইরে, অসু মাপুরমাসু যুবাগুম্বা স্বর দশাদি ওইদে। মাননি দোরকনে অড ওইরবদি দিনস্বর বার তিথি, নক্ষত্রদা যুবাগুম্বা ওাক্তা তাবা অফবা হুমিং এংলগা চংলগা ফত্তবাসিং অড তৌকই।

গুরুসংনা তাকই :— মাংমকপু নংদবদি নরম তৌগনি স্বর শাস্ত্র হৈবা পণ্ডিতনা মতম অচনা অকবা স্বরগী মিং অমা মী অমগী মমি থোন্নগা তৌগনি।

উদাহরণ :— ভাগ্যবন্ত জগসিংহ মাহারাজনা গুংগংথ বা লাম্মাইদা চিংথংখোম্বা মিং অসি পোক্নুনা জয় তৌদ্রি অসিনাদি বানি। ওভিকসু ইউরোপলোমদা কনাগুম্বা চোঙ্গথবা থমথোংবা তাংবর মমিং হোংবোকনৈ।

সিবা মাবা চহি এংবা।

জন্মক্ষ'ঃ সায়ক যুগ্মকক্ষ'ং তিথির্বা জন্মতিথেঃযুগ্মং।
চতুর্থমাসে বদিজন্মধামাৎ জন্মগামাচ্চ বদিপকমাহঃ।
বদি সাংপকমঃষয়ো বাশিনবর্ষে ভবেৎ মৃত্যুঃ কাপচিত্তের ভাবিকং।

মী অত্তগী জন্মনক্ষত্রদগী ২৫ সুবা নক্ষত্র, জন্মতিথিদগী ২০সুবা তিথি, জন্মবারদগী ৫ সুবা বার অহুম অসিনা জন্ম মাসদগী ৬ সুবা পাদা তারবা মতম অমুদা পঞ্চম স্বর মৃত্যুস্বর দশা ওইরবদি কালচিহ্না হাঙ্গি কুম অদুনাসি।

তাৎপর্য্য :— হাঙ্গিত্রবা বার, তিথি, নক্ষত্রগী যোগ অসিনা জন্মমাসদগী মরিহুবা থাদা পানলবদি কুম অত্তদা মী অত্ত সি, মাসিগী তাৎপর্য্যাদি বর্ণস্বরোদয়, শাকুন শাস্ত্র অমসুং কেরলী শাস্ত্র, শাস্ত্র অহুম্মকী মত্তা তিথি বার নক্ষত্র মসু মাস ৫ মক অত্ত মৃত্যু ও ঙ্গা তাবনি মাত্তদা পঞ্চস্বর হুইবদি মৃত্যুস্বর দশাগী ওইবা হাঙ্গী সি, অত্তমদি কুম অহুদা মৃত্যু মঙা তাববু হাঙ্গিবন মাদু তারবদি সি হাঙ্গিবনি। মাসিগী তাৎপর্য্য অদু গ্রহ মরাম পুথোক্তনা হৈরগা পঠকসিংগী কোক ঙাওনবনি কারদে হাঙ্গিদুনা সোইদবা মচী ওইবা বফম অসিদা ঐখোয়না তাকলিবনি।

খুমগীদমক মী অত্তনা পোকপা মপোকথাদগা মরসুবা থা হাঙ্গিহনি পঞ্চস্বর দশা চক্রদা ৫ সুবা কাদাঙাক্তা তাগল্লি অমসু মপোকথাদ॥ মরহুবা থানা মী অত্তনা মমাগী গর্ভদা চংবা থানি, মাহুবু মৈতৈ পুরাণনা "নক্র" কৌই। চহি খুদিংগী মী খুদিংমকনা থা অসিদা থনক তৌবা য়াদে। লৈফে চফদে। যোগ অসি তারবদ কুম অমুদা কে থোক্তবা হোংনবনা কুনগী লক্ষণা মপোক থাবান্দা জন্মতিথি, পূজা তৌগান, অদুগা মপোকথাগা থনব থা মথং অদুনা হাঙ্গিবদি মাথদা পোকপা মীগী ফাজ্ঞন মাসদা থোকই অসিগুম্বা ঘটন নাম্বনবা বন্ন যত্ন তৌগদবনি মাত্তদা শান্ত স্বস্ত্যয়ণ তৌগদববনি, মাইবানা চংগী ব্যবস্থা লৌত্তনা নাদনবা হোৎনগদবনি অত্তগা লাইনা কাঙ্কনি। মারমনা প্রাচীন শাস্ত্রনা তাকই, অমসু গুরু গম্য ন। হাঙ্গিরিবা তিথিনাচিবা অহুমনা পুলপনা তা। অদি চহী ১সুবা কুমদা অমে'ক ২ হজ্জনলি, অহু ওইরবদি মখুদমক মনা তৌইনা মৃত্যুগা তারিবনি, অত্তবু মী ওইবনা মামাগী থম্মবু থাজনা তৌবা, হাঙ্গিদ শহা অগায় তৌবনা মীহুদা দশাগী কত্তবা অসি য়ামনা কোকই। পাপচেনবা হাঙ্গিদি চাদিগ্র গৈতবা মীতমবু দশানা য়ামনা থিনা শোকপা পী, অত্তনা মচাভারতনা হাঙ্গি।

"ভয়স্থান সহস্রাণি মৃত্যুস্থান শতানি চ। দিবস দিবসে মূঢমাবিশন্তি নপণ্ডিতম্॥"

—— [::] ——

অথ সপ্তশূন্যাদি কোষ্ঠ দশা।

ভাবৎস্বরাঙ্ক গ্রহণং।

চন্দ্রাদ্রৌ প্রথমে দেয়ামুনি নাগৌ দ্বিতীয়কে।
তৃতীয়ে চাগ্নিনবকং চতুর্থে দ্বিগ্রহোগ্রহাঃ।
পঞ্চোত্তর শতং জ্ঞেয়ং ক্রমেণ পঞ্চমেষ্বপি॥

* শূন্যনাচিবা কোষ্ঠ দশা হাইগে। *

অহানবদা স্বরগী অঙ্ক হাঙ্গবা।

অকার স্বরদা ৮১, ই দা ৮৭, উ দা ৯৩, এ দা ৯৯, ও দা ১০৫ অঙ্কনি. মাসিবু স্বরাঙ্ক কৌই।

মাখোক অসিগী থোক্লকপাদি "নন্দা ভদ্রা জয়ারিক্ত, পূর্ণশ্চাপি যথা ক্রমং। ক্রমেণ কান্তয়া দেয়া গ্রাহ্যাকস্য সমুচ্চয়ঃ। স্বর অঙ্গী কাদা থারিবা তিথিসিংগী মসিং কোংথোকপা অঙ্কসিং অদু তিনাসিনবগী মসিনি।

বয়োরাশিঃ স্বরাঙ্ক একীকৃত্যত্রিধাদিবেৎ।
দ্বিত্রুদ্রিভক্ত শিষ্টঃ সপ্ত ইয়সভাজিতঃ।
আধানে বদকোষেয়ঃ স্বরেকস্মাপি পঞ্চ চ।
সর্ব্বাঙ্ক ব্যাপিতং পিণ্ডং ছিদ্র শ্রেণীব্যবস্থিতা।

বয়স. রাশি, অমসু স্বর অহুম অসিবু তিল্লগা মথা ২দা অহুম থোকনা ইবু, ২ ৪, ৩ না পুরিউ. ১, ৮, ৬না হরিউ অরেম্বু থম্মু. জন্ম অহুম কৌই।

বয়স. রাশি স্বরগী অঙ্ক তিনশিনবদা ৫ তিল্লগা মথারোমদা অহুম থোকনা থা-রগা ২, ৪, ৩না পুরবা. ১. ৮, ৬না হরিদুনা লেম্বা থম্মু. কর্ম্মস্বর অহুম কৌই।

মাসুমা বয়স, রাশি, স্বর অঙ্ক অহুম তিনবদা ৯ তিল্লগা অহুম থোকনা মথা ২দা থারগা ২, ৪, ৩না পুরিবা, ১, ৮, ৬না হরিবগী অরেম্বা থনম্মু, মাদুবু আধান স্বর অহুম কৌই।

জন্ম, কর্ম্ম, আধান, অহুম অদু মকম অহুমদা তিল্লগা, ২, ৪, ৩না পুরিরগা ১, ৮, ৬না হুরিরগা অরেম্বা থম্মু পিণ্ড স্বর অহুম কৌই।

বয়স, রাশি. স্বরগী অঙ্ক অহুম তিনবাবু মথং ২ মথাদা অহুম থোক্লা থারগা জন্ম, কর্ম্ম. আধান. অমসু পিণ্ডগী তিনসিনবা অদু মপা ২ দা তিল্লগ. ২, ৪ ৩না পুরিবা, ১, ৮. ৬না হুরিবগী অরেম্বা থনম্মু. ছিদ্রস্বর অহুম ওই।

উদাহরণ :— বৃষ রাশি, রোহিণী নক্ষত্রদা পোকপা বাপিরু কৌবা মী অমগী তুঠাদা ইনবা সপ্তশূন্যাদি কোষ্ঠ পুথোকনি, মাগী অহানবা চহিদগী হৌদ্রনা কোষ্ঠ ১৪ মথং ২

হায়া ইতুনা থয়বা বাগিজ্রগী স্বর "অ" নি, অঙ্ক ৮১। জন্মরাশি বৃষনি, অঙ্ক ১ রাশি মসিং থিবদা বৃষদগী (চৌবনা ঐখোইয়োমদা চৎনৈ, পশ্চিম ভারতনা চিংবদানা মেষদগী হৌনা থিনৈ) অহানবা চহিগী বয়স অঙ্ক ১নি।

অহুম তিল্লগা ৮৩ নি, মাসিদগী কোষ্ঠ শেম্বা—

(৮৩×২)÷৭ শেষ ৫ জন্ম	(৮৩+৫)×২÷৭ শেষ ১ কর্ম্ম
(৮৩×৪)÷৮ শেষ ৪ জন্ম	(৮৩+৫)×৪÷৮ শেষ ০ কর্ম্ম
(৮৩×৩)÷৬ শেষ ৩ জন্ম	(৮৩+৫)×৩÷৬ শেষ ০ কর্ম্ম

(৮৩+৯)×২÷৭ শেষ ২ আধান
(৮৩+৯)×৪÷৮ শেষ ০ আধান
(৮৩+৯)×৩÷৬ শেষ ০ আধান

জন্ম কর্ম্ম আধান
৫ + ১ + ২ +
৪ + ০ + ০ = ১৫ নি
৩ + ০ + ০

(১৫×২)÷৭ শেষ ২ পিণ্ড
(১৫×৪)÷৮ শেষ ৪ পিণ্ড
(১৫×৩)÷৬ শেষ ৩ পিণ্ড

জন্ম		কর্ম্ম		আধান		পিণ্ড		স্বর	রাশি	বয়স
৫	+	১	+	২	+	২	=	১০	+৮৩	৯৩
৪	+	০	+	০	+	৪	=	৮	+৮৩	=৯১
৩	+	০	+	০	+	৩	=	৬	+৮৩	=৮৯

(৯৩×২)÷৭ শেষ ৪ ছিদ্র
(৯১×৪)÷৮ শেষ ৪ ছিদ্র
(৮৯×৩)÷৬ শেষ ৫ ছিদ্র

জন্ম	কর্ম্ম	আধান	পিণ্ড	ছিদ্র
৫	১	২	২	৪
৪	০	০	৪	৪
৩	০	০	৩	৫

মাসুয়া চহি থুনিগী হায়না শেত্তুনা থমগনি। ১৪ শুবগা অমুক ২ হল্লনদি। অদু ওইরবদি হায়না কোষ্ঠ ১৩ থক চখোক্তুনা থম্লগা মী পুম্নমক্কী মাচতাবা এবা য়াই মায়ুদি মাসিনি -

শম্ভুশুনা কোষ্ঠ দশা চক্র।

১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪
২৫৩৫৩	৪০১৩৩	৩২৩১২	১২৫৩৫	৩৬০৫১	৫১২২০	০৩৪০০	২৫৬৫৩	৪০১৩৬	৬২৬২১	১৪৫৩৫	৩৬০৫১	৫১২২৪	০৩৪৩০
৪০০০৪	০৪৪৪০	৪০০০৪	০৪৪০০	৪০০০৪	০৪৪০০	৪০০০৪	০৪৪৪০	৪০০০৪	০৪৪৪০	৪০০৪৪	০৪৪৪০	৪০০৪৪	০৪৪৪০
৩০০০০	০৩৩৩	৩০০০০	০৩৩০০	৩০০০০	০৩০০	৩০০০০	০৩৩০০	৩০০০০	০৩৬৩০	৩০০৩৩	০৩০৩০	৩০০৩৩	০৬৩৩
ত্রপাপে রিষ্টং	বুধবর্ধে তরবর্দ শায়াং রিষ্টং	ত্রিপাপে রিষ্টং	পাপান্ত ৫,২,৩ পাপে রিষ্ট	বুধবর্ধে তরবরে রিষ্টং	কুজোক্ত দশমা রিষ্ট	ত্রপাপে ২য় ৯ম ত্রিপ পরিষ্টং	পাপবর্ধ	পাপে রেণমা ত্রারিষ্ট	পাপে দ্বিতীয় স্বরেচ রিষ্টং	শুভং পাপে ক্লেশং	পাপে কুজাক্ত রেচ	পাপে কুজাক্ত রেচ	পাপে কুজাক্ত রেচ

কোষ্ঠ দশা এ বগী অসম্বা।

কোষ্ঠ দশা এংগদবা মী অহা তহিনে জন্মস্বরগী অঙ্কনে অমত্ত জন্মরাশিগী মসিং নে অহুম অদু তিল্লগা ১৪ না হয়িরগা অরেম্বা মসিং অদু স্কুবা কোষ্ঠনা মী অদুগী ওই। বাগিজ্রগী চহি ২০ রাশিগা ১, জন্মস্বরাঙ্ক ৮১ তিল্লগা ১০২ ওই ১৪ না হয়িরা ৪ লেমই।

অথ কোষ্ঠ দশা ফলং ৭॥

১ প্রথম, ৩ তৃতীয় কোষ্ঠফলং॥

রবিমঙ্গলকুজেধর্ম্মে রাহৌবাস্থানবিস্থিতে।
সপ্তশূন্যং ভবেৎ বাপি ভত্তোমরণবাদিশেৎ॥

কেতুপটাকীদা রবি, শনি, অমসু মঙ্গল অহবগী কয়রুপী অমা ওইবা চহিদা কেতু কুণ্ডলী, শুক্রকুণ্ডলীদা রাহু অমা. অনিমক্তা রাওয়রমসু কোষ্ঠদা শূন্য ৭ তারবা কুমদা ৭ অহু সি। অসুমনা তাক্লি।

২ দ্বিতীয় কোষ্ঠ ফলং।

বুধেপি শূন্যবুগলে বুধেপিবর্ষসত্তরে।
বুধোচাক্তাংতে চৈব মরণ খণ্ড সংশয়ঃ॥

জন্মস্থানদা বুধ মথংগী অনদা • অনিনৈবদা, কেতুপটাকীদা বুধগী চহি ওইবা অষ্টোত্তরী দশাগী অন্তর দশাদা বুধ ওইরবা কুম অহুদা সী অহু সি চিংনবা নৈতে।

৪ চতুর্থ কোষ্ঠ ফলং।

স্থানত্রয়ে যদা সূর্য্যঃ সূর্য্যাদৌ শূন্যসংস্থিতে।
অবশ্যং মরণঞ্চৈব তস্মিন্ বর্ষে ভবেৎ ধ্রুবং॥

ত্রিপাপ কুণ্ডলীগী কা অহুমদা সূর্য্য ত্রাবা (অহমুক্তি সূর্য্য ওাক্তা ওইবা কৌনববনা অহুংগী মরক্তা অহানবদা, অহানবগা অনিগদা নক্ষত্র. অহানবগা অহমসুবগা রবিনৈবা মাসি ওইরবদা) জন্মঘর অহুমদা মথক্তা রবি, মথংদা শূন্য অনি তারবদি কুম অহুদা সোইদরে, সী অহু সি।

৫ পঞ্চম কোষ্ঠ ফলং।

পিণ্ডে বুধোদ্বয়েশূন্যে জন্মনি. ত্রিশূন্যে বুধ।
কর্ম্মপি শুক্রে বিশূন্যাক মৃত্যির্ভবতিনামৃত্যা॥

পিণ্ডদা বুধ অমা শূন্য অনি, জন্মদা মঙ্গল অনি বুধ অমা, কর্ম্মদা শুক্র অমা, শূন্য অনি নৈবদা, কোষ্ঠ দশাদা কেতুপটাকীদা পাপগ্রহগী চহি ওইরবদি শোইদনা সি।

৬ ষষ্ঠ কোষ্ঠ ফলং!

শুরুশূন্যদ্বয়ং প্রাপ্তে কুজশ্চাষ্টোত্তরেৎ যদি।
প্রাপ্তক্রমো ভবেত্তস্য বর্ষে চ নাপসংশয়ে॥

কোষ্ঠগী জন্মঘর অহানবদা বৃহস্পতি মথংদা শূন্য অনি নৈরবদি অষ্টোত্তরী দশাদা অন্তরদা মঙ্গলগী দশা ওইরবা, কেতুপটাকীদা পাপগ্রহগী চহি ওইরবা কুম অহুদা শোইদনা সি।

৭ সপ্তম কোষ্ঠ ফলং।

অথবা পাপ সংযোগে দশ শূন্যঃ ভবেৎ যদি।
তদায়ুত্যুং ভবেদেব দেবরাজসমোযদি॥

কোষ্ঠদা লৈবা শূন্যসিং অমুনা শূন্য ১০ ওইরবা কূম অমুনা কেতুপটাকীদা পাপ গ্রহগী চহি ওইরবদি কূম অমুদা লোইহনা সিবা থাই। লোয়াবেনগা থারবা মীহু অহু হঙাইয়ে।

৮ অষ্টম কোষ্ঠ ফলং।
ত্রিযোবিধুন্তে যোগে অষ্টে শূন্যযুতে।
শুক্রচন্দ্র শনৌবর্গে তথাপি মৃত্যুমাপ্নিনাং।

কোষ্ঠ অমুদা জন্মঘরদা অহানবদা চন্দ্র মথংগী অনিদা শূন্য অনি লৈরবা কূম অমুদা কেতুপটাকীদা রাহুগী চহি ওইরবা (মাংরবদগী কেতুগী চহি ওইরবাহু) মী অহু সি। অমহু শুক্র, নত্রগা চন্দ্রগী শনিগী চহি ওইরবাহু সি।

১০ দশম কোষ্ঠ ফলং।
শুক্রে শূন্যদ্বয়ে প্রাপ্তে বর্ষে চ পাপসংযুতে।
দ্বিতীয়স্য সংযোগে মরণং তাৎপূর্নিশ্চিতং।

জন্মদা অহানবদা শুক্র মথং অনিদা শূন্য থাক্না লৈরবা কেতুপটাকী চহি ওই-রবা অমুগা পঞ্চম দশাদা দ্বিতীয়ঘরগী দশাগা থোক্লবদি শোইদনা সি।

১২। ১৩ দ্বাদশ ত্রয়োদশ কোষ্ঠক ফলং।
শূন্যদ্বয়ং কূজেপ্রাপ্তে চাত্তেহপি কূজমতয়ে।
বিশেষে মরণংচৈব বর্ষে চ পাপ সংযুতে।

শূন্য অনিগা মঙ্গলগা থংনবা অহুত্তমা কোষ্ঠ অহু থোকপা চহিদা অষ্টোত্তরী দশাদা মঙ্গলনা অন্তর্দশা ওইরবদি পাপকী চহি ওইরবদা মী অহু সংকৈ চৎনবদি সি।

১৪ চতুর্দশ কোষ্ঠ ফলং।
প্রথমে শূন্যত্রিতয়ে চ কূজ সংযুতে।
তুলবর্ষং ক্লেশ সংযুক্ত শুভযোগে শুভপ্রদং।

জন্মগী মকম অহুমক শূন্য থাক্না লৈবা অমুগা অয়োইবা পরেংগী মকম মথিদা মঙ্গল থাক্না ওইরবা কূম অমুদা কেতুপটাকীদা পাপকী চহি ওইরগা অবাবা তাই, শুভগী চহি ওইরগা অকবা ফংই।

উদাহরণ কোষ্ঠ ফলং।
অসবাবাজসর্বস্ব কোষ্ঠকানাং দশাস্বপি।
পাপযোগে ভবেৎক্লেশং শুভযোগে শুভং ভবেৎ।

হাইপ্রবা মিং অমুগা চাবরবা কোষ্ঠগী দশাদা পাপকী চহি ওইরগা থাবা, শুভ ওইর হুতাইবা ওই।

——[::]——

সপ্তশূন্যাদি কোষ্ঠদশা সারিণী।

উদিত।	ভ্রমিত।	ভ্রান্ত।	সন্ধ্যা।	অস্ত।	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪
৮১	৮৭	৯৩	৯৯	১০৫	১৫	১৬	১৭	১৮	১৯	২০	২১	২২	২৩	২৪	২৫	২৬	২৭	২৮
অ আ	ই ঈ	উ ঊ	এ ঐ	ও ঔ	২৯	৩০	৩১	৩২	৩৩	৩৪	৩৫	৩৬	৩৭	৩৮	৩৯	৪০	৪১	৪২
ক ছ	খ জ	গ ঝ	ঘ ট	চ ঠ	৪৩	৪৪	৪৫	৪৬	৪৭	৪৮	৪৯	৫০	৫১	৫২	৫৩	৫৪	৫৫	৫৬
ড	ঢ	ত	থ	দ	৫৭	৫৮	৫৯	৬০	৬১	৬২	৬৩	৬৪	৬৫	৬৬	৬৭	৬৮	৬৯	৭০
ধ	ন	প	ফ	ব	৭১	৭২	৭৩	৭৪	৭৫	৭৬	৭৭	৭৮	৭৯	৮০	৮১	৮২	৮৩	৮৪
ভ ব	ম শ	য ষ	র স	ল হ	৮৫	৮৬	৮৭	৮৮	৮৯	৯০	৯১	৯২	৯৩	৯৪	৯৫	৯৬	৯৭	৯৮
মাহেশ্বরজিনা কৌরা সিংগী	মাহেশ্বরজিনা কৌরা সিংগী	মাহেশ্বরজিনা কৌরা সিংগী	মাহেশ্বরজিনা কৌরা সিংগী	মাহেশ্বরজিনা কৌরা সিংগী	৯৯	১০০	১০১	১০২	১০৩	১০৪	১০৫	১০৬	১০৭	১০৮	১০৯	১১০	১১১	১১২
					১১৩	১১৪	১১৫	১১৬	১১৭	১১৮	১১৯	১২০	১২১	১২২	১২৩	১২৪	১২৫	১২৬
					*	*	*	*	*	*	*	*	*	*	*	*	*	*
বৃষ অকারস্বর৮১	মকর ইস্বর ৮৭	কর্কট উস্বর ৯৩	মীন এস্বর ৯৯	কন্যা ওস্বর ১০৫	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২
মিথুন অস্বর	কুম্ভ ইস্বর	সিংহ উস্বর	মেষ এস্বর	তুলা ওস্বর	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩
কর্কট অস্বর	মীন ইস্বর	কন্যা উস্বর	×	বিছা ওস্বর	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪
সিংহ অস্বর	মেষ ইস্বর	তুলা উস্বর	×	ধনু ওস্বর	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১
কন্যা অস্বর	×	বিছা উস্বর	বৃষ এস্বর	মকর ওস্বর	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২
তুলা অস্বর	×	ধনু উস্বর	মিথুন এস্বর	কুম্ভ ওস্বর	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩
বিছা অস্বর	বৃষ ইস্বর	মকর উস্বর	কর্কট এস্বর	মীন ওস্বর	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪
ধনু অস্বর	মিথুন ইস্বর	কুম্ভ উস্বর	সিংহ এস্বর	মেষ ওস্বর	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫
মকর অস্বর	কর্কট ইস্বর	মীন উস্বর	কন্যা এস্বর	×	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬
কুম্ভ অস্বর	সিংহ ইস্বর	মেষ উস্বর	তুলা এস্বর	×	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬	৭
মীন অস্বর	কন্যা ইস্বর	×	বিছা এস্বর	বৃষ ওস্বর	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮
মেষ অস্বর	তুলা ইস্বর	×	ধনু এস্বর	মিথুন ওস্বর	১০	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯
×	বিছা ইস্বর	বৃষ উস্বর	মকর এস্বর	কর্কট ওস্বর	১১	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০
×	ধনু ইস্বর	মিথুন উস্বর	কুম্ভ এস্বর	সিংহ ওস্বর	১২	১৩	১৪	১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১

চক্র সিজিনবা মী অহুগী মিংগী মকোকী ময়েক লৈবা কাদা মথারোমদা জন্মরাশি লৈবাকা কাওবা চিংথরকউ, মাহুদগী এংলোমদা মাগী বয়সগী মশিংগী মপাদা লেপউ মকন অহুদা লৈরবা অকনা সপ্তশূন্যাদি কোষ্ঠগী অমুবা মসিং, কুম অহুগী দশা ওই। উদাহরণ বাক্তিদ্র বৃষরাশিগী চহি ২০ শুবাগী ১৪ শুবা কোষ্ঠ দশানি।

বিজ্ঞাপন

পণ্ডিতরাজ শ্রীঅতোম্বাপু বিদ্যারত্ননা ব্যাখ্যা তৌবা অমসুং লেখা লাইরিক্কী তালিকা।

১। শ্রীমদ্ভাগবতম্

অহানবা অনম্বা মতৌ শিজিন্নবনা মৈ থাদরে। অদোম্বা অমোক নম্বর তৃতীয় স্কন্দী মখোয়খা হৌগৎলকপদা চে যংদগুনা লেপ্লে। মতি লৈতবনা চে থবদং ফংবদা মমল থরা হাঙ্গৎলে গ্রাহকসিংনা ঐগোইগী ভগবদগী থোকখিবা অসি ভাকপিয়ু।

দ্বিতীয় পাংগা পৃষ্ঠা ১৬ লোকপদা পৃষ্ঠা ৬৪না খণ্ড অমা ওইদুনা মুমৎ ১৫ সুবদা পাঠককী হিসাবতা ফোংজরনি মমল। খণ্ড অমদা দুপা ১৲ লৌজগনি, গ্রাহক নত্তবদা খণ্ডদা ১পা ২৲ লৌগনি। মসু মতেং ওইনা পিজদে। মতম অসিবা তৃতীয়স্কন্ধগী খণ্ড ৫ থোরে ৬ শুবা খণ্ড থানা ফোংগনি

২। শ্রীমদ্ভগবদ্ গীতা।

খণ্ড ৩ দা পূর্ণ ওইবনা খণ্ড অমদা দুপা ২৷৷০ পীরিংবা অহূবনা দুপা ৭৷০ ত্রনি। ১ দা সেপ্তেম্বরদা ফোংগনি। (খণ্ড তোইনা পিজদে) মূল, মখংদা অন্বয়গা লোইননা মরেক পদ্য ২ অর্থ হাপ্নবা অতুপা তশেং ২ বা মৈতৈলোনগী অনুবাদ তৌবনি।

৩। গীতগোবিন্দ মহাকাব্যং ৩৷০

৪। জ্যোতির্বিজ্ঞান রহস্য কুষ্ঠীইনবা ২৲

মাসিদা কুষ্ঠী ইবনা থংদবা য়াদবা অপুম্বা মৈতৈলোনা উদাহরনগা লোইননা হাপ্লনি, মাসিগী মথংদা কুষ্ঠীইবা হৌনদে, অতুগুম্বা মচাক অদু ভাকনি।

৫। জ্যোতির্জ্ঞানরহস্য দশা এংনবা অহানবা খণ্ড ১৷০

মতাং অসিদা মীবু চহি কয়া সুরবগে এংনবা নিয়ম হাপলি। নিয়ম অসি থংনবনা কুষ্ঠী ংবদি মীনম্বনি মতাং তৌবনি, অদুগুম্বা নিয়ম অদু সিদ্ধান্ত শাস্ত্রগী লোন্দুনা হাপনি। মীওইবনা চৎলবনা কন পিগদবা মাইকৈ ৮ গী মহে। ১ কাল-- মৃত্যু, ২ মৃত্যু, ৩ জন্ম, ৪ যুগ ৫ কেতুপটাকো, ৬ কেতুকুণ্ডলী, ৭ গুরুকুণ্ডলী দশা ৮ পঞ্চস্বরদশা, ৯ সর্পচক্রদশা, ১০ কোষ্ঠদশা, দশা মথক ১০ অসি এংবা তাকপা উদাহরণ য়াওবা অদুনা লাইরিকপাবা ওম্বা মীপুমমকনা এংজবা থংনবনি। অসিনচিংবা—

৬।	মাস ফল	১৷০
৭।	রাশি ফল	৷৶০
৮।	নক্ষত্র তিথিফল	৷৶০
৯।	মংগী ফল	১৲
১০।	চা শমক এংনবা	৷৶০

১১। স্বরোদয় ৵৹
১২। তর্পন শোত্রবা ৹
১৩। ভেক লৌনবা ৶৹
১৪। গোপাল সহস্রনাম মচা ৵৹
১৫। গোপাল সংস্নাম অচৌবা ২৲
১৬। অন্যাবাগ্নায়ণ হৃদয় ৷৹
১৭। মালা নির্ণয় ।৹
১৮। শ্রীহরিন নগী অর্ঘ ৷৹
১৯। মণিপুর কাংশাস ১০৲
২০। হ'বনাথে – ইংল্লাপী ১৲
২১। মৈতৈরোন ২৲
২২। প্রোষ্ঠীকস ১
২৩। মণিপুর প্রতিভা (সংস্কৃত) ১৲
২৪। মণিপুর প্রতিভা (মৈতৈরোন) -
২৫। মণিপুর পুরাবৃত্তম্ ২৲
২৬। সারস্বতব্যাকরণ ২০৲
২৭। চৈতন্য চরিতামৃত (শ্লোক মালা) ১০৲
২৮। শ্রাদ্ধপদ্ধতি ৫৲
২৯। পূজাপদ্ধতি ৩
৩০। সন্ধ্যাপদ্ধতি ১৲
৩১। মুমশোং মুম্মা ১৲

৩২। শেষ্ঠ সাংবিক অবিবা ১৵ দশী হৃজিপা কাওনরকপনা মৈতৈ শৈমেং ষাহে সচেং মদামষ্টী ভিকসনাপ্পী (৮ পাবর্মা) — ২৲

৩৩। শ্রীদিব্যস্তা সমতভা শুষাব্রে পুটশী সাহিশী ভাগাবতী বিষপশাল পুথার বা অচুপা সাহিপা (৮ পানয়ীসা) — ২৲

কালমৃত্যু, মাহকৈগী মহৈ, ফম. মৃত্যু, এক্রবা এংনবা চক্র।

মী ২ গী অস্থু ২ বা চহি।													নিপাহুপীগী কাল মৃত্যু শিহনবা	১ লেখা ওইজবা	২ লেখা শেন মাংবা	৩ লেখা সম্মান মামনা ফংবা	৪ লেখা অয়েৎপা হজৎ চক্ষা	৫ লেখা অচৌবমা নিং থোনা লুমতোব	৬ লেখা অথাবা নংবা শুভাইভবা	৭ লেখা ধনা অহেক উপদ্রবফংবা	মিপাগী। ফম।	মিপাগী। মৃত্যু।	মিপাগী। এক্রবা	মুপীগী। ফম।	মুপীগী। মৃত্যু।	মুপীগী। এক্রবা।
১	৯	১৭	২৫	৩৩	৪১	৪৯	৫৭	৬৫	৭৩	৮১	৮৯	৯৭	কৌক্র	মথা	অথাং	নোংচুপ	চীঙথৈ	সঙ্কোং	মৈরম্	নোংপোক	কৈ	নোংপোক	চীঙথৈ	যণ	মথা	সঙ্কোং
২	১০	১৮	২৬	৩৪	৪২	৫০	৫৮	৬৬	৭৪	৮২	৯০	৯৮	নোংপোক	কৌক্র	মথা	অথাং	নোংচুপ	চীঙথৈ	সঙ্কোং	মৈরম	কাংয়েন	চীঙথৈ	অথাং	শামু	সঙ্কোং	নোংচুপ
৩	১১	১৯	২৭	৩৫	৪৩	৫১	৫৯	৬৭	৭৫	৮৩	৯১	৯৯	মৈরম্	নোংপোক	কৌক্র	মথা	অথাং	নোংচুপ	চীঙথৈ	সঙ্কোং	কৌদোং	অথাং	কৌক্র	কৌদোং	নোংচুপ	কৌক্র
৪	১২	২০	২৮	৩৬	৪৪	৫২	৬০	৬৮	৭৬	৮৪	৯২	১০০	সঙ্কোং	মৈরম্	নোংপোক	কৌক্র	মথা	অথাং	নোংচুপ	চীঙথৈ	শামু	কৌক্র	নোংচুপ	কাংয়েন	কৌক্র	অথাং
৫	১৩	২১	২৯	৩৭	৪৫	৫৩	৬১	৬৯	৭৭	৮৫	৯৩	১০১	চীঙথৈ	সঙ্কোং	মৈরম্	নোংপোক	কৌক্র	মথা	অথাং	নোংচুপ	যণ	নোংচুপ	সঙ্কোং	কৈ	অথাং	চীঙথৈ
৬	১৪	২২	৩০	৩৮	৪৬	৫৪	৬২	৭০	৭৮	৮৬	৯৪	১০২	নোংচুপ	চীঙথৈ	সঙ্কোং	মৈরম্	নোংপোক	কৌক্র	মথা	অথাং	লিন	সঙ্কোং	মথা	নোংশা	চীঙথৈ	নোংপোক
৭	১৫	২৩	৩১	৩৯	৪৭	৫৫	৬৩	৭১	৭৯	৮৭	৯৫	১০৩	অথাং	নোংচুপ	চীঙথৈ	সঙ্কোং	মৈরম্	নোংপোক	কৌক্র	মথা	উচি	মথা	মৈরম্	উচি	নোংপোক	মৈরম্
৮	১৬	২৪	৩২	৪০	৪৮	৫৬	৬৪	৭২	৮০	৮৮	৯৬	১০৪	মথা	অথাং	নোংচুপ	চীঙথৈ	সঙ্কোং	মৈরম্	নোংপোক	কৌক্র	নোংশা	মৈরম্	নোংপোক	লিন	মৈরম	মথা

উদাহরণ— চহি ৩১ গী য়োংগে হাঙ্গীরবদি নিপা ওইরগা অরাংদা কালমৃত্যু, উচিফম, মথামৃত্যু, মৈরম্ এক্রবা, মুপী ওইরগা অরাংদা কালমৃত্যু, উচি ফম, নোংপোক মৃত্যু, মৈরম এক্রবা।
ওইজবা নোংচুপ, শেনমাংবা চীংথৈ, সম্মানফংবা সঙ্কোং, হজৎচক্ষা মৈরম, নিংথৌনা লুনাতৌবা নোংপোক, অথাবা নংবা কৌক্র, উপদ্রবফংবা মথা, মাসুম্মা খংনগনি। মন্তব্য মৃত্যু, এক্রবা মুপীনিপা মান্নমক্ চৎলৈ।